
চংথোকহন্দনা য়েন য়োকপা



ডাঃ কুঞ্জমণি নরসিংহ

চৎথোকহন্দনা য়েন য়োকপা



ডাঃ চানম কুঞ্জকিশোর সিংহ

মমল লুঃ ২'৫০

কোঙজবা :—

অইবা মশামক

কোপী—৩,০০০

জানুয়ারী ২১, ১৯৭০ ইং

নম্বম :— মণিপুর গীতা প্রেস; শীংজমৈ বাজার, ইম্ফাল।

বামাঙ য়ানবা

" অনৌবা চাং য়েংবা, অহোংবা পুরকপা "

খ্বাইনা য়েরুম অমস্তুং য়েনশাগী মগুণ খঙনরকপগা লোয়নলোয়ননা য়েন য়োকপগী থবক অসিস্থ য়াম্না পাম্নরক্লী। State Animal husbandry Department অমস্তু: Development Department না পায়খংলকপা চাউখৎ-থোরাং, Applied Nutrition, Marginal and Agri-labourers and Small Farmers Development Agency গী programme না প্রজাশিংদা য়েন লোইনীংবগী রাখল পোকহল্লী। Gorvernment না পীরকপা মতেংনা প্রজাশিংগী রাখল থোগংলি। চীং অমস্তুং তমদা য়েন লোইবগী কান্নবা অসি হায়রুবা তৌদনা খঙনরকপা ঙাকনি। থবক ওইনা ময়েক লানা পুথোক্কদৌবতা ঙায়রবনি। মতাং অসিমক্তদা খুমাং চাওশিন্না মতেং পাংহৌদ্রবদি অমস্তুং লমজিংহৌদ্রবদি চহী কয়াদগী হোৎনরকপগী মহৈ "প্রজানা য়েন লোইবগী কান্নবা খঙ্‌ঙকপা" হায়বা অসি মাঙখিবা য়াই। মাঙখিবা থোক্লবদি অমুক হন্না শেমগৎপদা রানা থোকনি। মাঙথ্রগনি হায়না কিবদগী অমস্তুং মাঙদনবা হোৎনবদা খ্বাইগী মতেং থজিক্তুং ওইগদরা হায়না খন্দুনা "চৎথোকহন্দনা য়েন য়োকপা" হায়বা লাইরিক মচা অসি পুথোকচবনি। য়েন লোইবনা থবক অমা ওইগে নত্রগা ইশাগী শেলগী কিভম ফগৎহন্নবগী লম্বীদা মতেং থজিক্তুং ওইহনগে হায়না খল্লবদি চৎথোকহন্দনা য়েন য়োকপা হায়বা অসিমস্থ খ্বাইদগী ফবা অমনি। অদুবু চৎথোকহন্দনা য়েন য়োকপা হায়বা অসি অনৌবা মওং

ওইবনা খুৎলোয়বা য়াৎলি। মরম কয়ামুক থিজিনবা অমসুং খণ্ডজিনবা ভাই। অনৌবা মওংগী য়েন খুৎলোই অসি চাং য়েংবদা অমসুং অহোংবা অমা পুরকপদা "চৎথোকহন্দনা য়েন য়োকপা" হায়বা লাইরিক মচা অসিনা মতেং খজিক্কং পাংবা ঙমগনি হায়না অশা তৌই।

য়েন লোইবগী থবক অসি মপুংফানা চাওখৎলক্না য়েরুম অমসুং য়েনশাগী পোথোক হেনগৎহনবগা লোয়নননা মণিপুরগী প্রজা পুম্নমক্না চিঞ্জাক্না য়াৎলিবা শা-ঙাদগী কংবা প্রোটিন (animal protien) অসি মেনশিনহনবা অমসুং ইশাগী আয় (income) লাক্নবা হোৎনবদা মতেং অমা ওইহনবা হায়বা অসি অনৌবা য়ুগ অসিগী উদেশ্য অমনি। থবক ফংদবগী সমস্যা (unemployment problem) অসিসু য়াম্না লুনা থয়রিবা থাকম অমনি। মাঙদা ভাক্লুনা লৈরিবা সমস্যাশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা লাইরিক মচা অসিবুসু শরুক খজিক্কং য়াহনবিগনি হায়না খ্বাইগী মফমদা নিজরি। ইশানা থেংনজরকপা খরা, অখঙ অহৈ কয়াদা হংজরুবদা তাকপিরকপা কয়া অমসুং লাইরিক কয়াদগী ফংঙকপা জ্ঞান কয়া,ময়াম অসি পুনশিল্লগা লাইরিক মচা অসি পুথোকচবনি—অরান অহুই য়াওরবসু ঙাকপিগনি।

খ্বাইগী
ডাঃ চানম কুঞ্জকিশোর সিংহ
জানুৱারী ২১, ১৯৭০ ইং — থোংমন

হিরম লামায়

"চৎথোকহন্দনা য়েন য়োকপা"

(DEEP LITTER SYSTEM OF POULTRY KEEPING)

(১)

মমাঙৈঙেদগী চৎনরক্লবা য়েন থুৎলোই

(Traditional ways of Poultry Keeping)

চীং-তম অনিমক্তা য়েন লোইবা হায়বা অসি মমাঙৈঙেদগী হৌনা চৎনরকই। মওং নাইনা নিয়ম অমগী মখাদা লোইবগী রাকমদি লৈতে। চীংগী লমদস্থু তম্পাকস্থু য়েনগীদমক্তা শঙ্গোইদা. ফৌম্নখোঙদা. এনখাদা পোলাং নত্রগা উপু থন্না মরুম কোকহম ওইনবা য়ানশিন্দুনা থমই। সুমিদাংদা য়েনশিংনা য়ুমগী নত্রগা শঙ্গোই-লূকোইগী থাঙেন্দা য়াম্নেকই। কনাগুম্বনা সুমিদাং ওইরগা য়ুমগী কাচিন অমদা নত্রগা মাঙ্গোল কাচিন্দা অহিংগী মতম য়োরগা পোলা'না কূপশিন্দুনা থমই। অয়ুক সুংথিন্দা য়ুমগী অকোয়বদা, ইংখোলদা য়েনশিংনা মশানা মচীঙ্গাক থিজৈ। য়েনগীদমক্তা মচীঙ্গাক থাবিবা হায়বসি থওইনা চৎনদে। ইনা, রানা ভোঙাম্না য়েনগোন অমা শাবিরগা য়েন ১০/২০ থম্বস্থু য়াওই। ইংখোলগী য়েঙ্খাং-নাপী চাদনবা অমম্তুং থাপ্না চখোকথিদনবা মফম থন্দা য়েনশিংবু থাজীন্দুনা থম্বস্থু য়াওই।

মী খুদিংমক্না য়েন লোইবগী কান্নবা থওই। তৌইগুম্বসুং করি করম তৌরগা হেন্না কান্নবা হায়বদু ওইগদগে হায়বসিগী মতাংদদি থওইনা থম্মরুবা উদে। য়োকইবা খুৎয়োক, লোইরিবা খুৎলোই অসিগী অফ-ফত্ত কনাম্ন থওইনা খিজিল্লুদে।

মমাঙউৈদগী চৎনরক্লবা য়েন খুৎলোইগী খুদোং চাদবা

মমাঙউৈদগী চৎনরক্লবা য়েন খুৎলোই অসিগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম লৈ। মখুদি :–

১। শগাইদা, খাঙেন্দা য়ারেকফম ওইবনিনা লু হেনবগী মরমদা অপনবা কয়ামরুম পী। চাকথুমদা, অরূবা পোৎ থমফমদা তত্তনা চঙই, মথী কায়জীল্লি। ফত্তবা, অমোৎপা মফমদা চঙ্গুরগা মীওইবগী চান-থক্লবা পোৎ চায়, মথোঙনা নেৎশীল্লি। অমোৎপা পোত্তা মহীক য়াওরোইদবগী মরম লৈতে। মরম অদুনা মীওইবা ঐখোয়দা অনাবা শন্দোক্লবগী মরম অমা ওই।

২। মীওইবা ঐখোয়গী লৈফম-তুমফমগা নক্নরবনিনা য়েনগী মশাদা, মতু মরক্তা পঙ্কপা মহীক কয়ামরুম কমুংদা, ফিরোন্দা, হকচাংদা পক্লোইদবগী মরম লৈতে। য়েনগী অনাবা কয়ামরুম মীওইবদসু লোই। য়োকইবা খুৎয়োক অসিনসু মীওইবা ঐখোয়দসু অনাবা শন্দোক্লবগী মরম কয়ামরুম লৈরবনি।

৩। থাদোক্তুনা থয়বনিনা য়েন্না কোয়না মচীঙ্গাক থিবা চৎলি। অনৌবা নাপী, মনামশীং চাবা জীবনিনা ইংখোলদা থাবা মনামশীং মাঙহল্লি। ইংখোলদা হৌবা মনামশীংদগী ফংবা য়াবা শরুক অদু য়েন্না মাঙহল্লি। মাংখিবা শরুক অদু য়েন অদুদগী ফংবা পোৎশক্না শিংগৎপা ঙমদে।

৪। মমাঙহৈঙদগী চৎনরক্লবা য়েন খুৎলোইদা কনাগুম্বনা য়েন ৫০ (য়াংখৈ) লোইবা হায়বসি ওইথোক্লবনি। য়েন মশীং থরদং য়ামথৎলকপদা শেনবিবা অমস্তং লোইশিনবিবগীদমক্তা অর বা থবক অমা ওই।

৫। নোংজু মুংশা নংলবদি মকম কোকপা হস্থরকই, চাউদম থী, অনাবদগী ঙাকথোরবগী পাঙ্গল হস্থরকই, থুনা লৌনগনবা লায়না কয়ামরুম্না নারকপা য়াই। কোয়না চত্তুনা মচীঙ্গাক থিরবনিনা মচীঙ্গাক থুনবা মতমদা মহীক কয়াম্ব য়াওথিবা য়াই। অনাবা য়েনগী মথী-ময়ুংদা মশীং থঙত্রবা মহীক্তী মকম (egg) য়াওই। লৈপাক্তা, নাপী মরক্তা, মহীক্তী মরুমশীং অত্ত মতম কুইনা 'হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। নোংনা খো'বান-লুকলাংদা মহিক মকমশিং অদু পুথখি। মচীঙ্গাক থুনবা মতমদা মহীক মকমশিং অদু চাশিনখি। ঈশিং থকপা মতমদা মহীকশিং অদুস্ব য়াওনা থকচিনখি। মরম অদুনা থাদোক্তুনা থম্বা য়েনগী মরক্তা অমতং নারক্লবদি লৈমিন্নরিবা য়েনশিংদা নারক্লবগী লম্বী পাক-চাউনা লৈ।

৬। থাদোক্তুনা য়োক্লবনিনা শাহিং চাবা জীবনা ইরায়লায়না চাখিবা য়াই, হুখিবা য়াই।

৭। অকবা য়েন থন্দোকপা তোঙান তোঙানবা চহিগী য়েন য়োকপা অসিনচিংবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম লৈ।

পাক চাউনা লৈবা লমজাও-লমহাংদা মমাঙৈদগী চৎনরক্লবা মওং অসিদা য়েন লোইবা তারবসু মথক্তা পনখিবা খুদোংচাদবা ময়াম অসি অত্নমক লৈ। অমরোমদা লম মাঙই, শেখা রায়। তরু তরুবা লমহাং লমজাও নত্রবদি থোইনা কান্নকম লৈতে।

য়েন লোইবনা মথৌ অমা ওইনা অমসুং কারবার অমা ওইনা তৌগে থনবা তারবদি মমাঙৈদগী চৎনরক্লবা মওং অসিদা য়েন য়োক্লবদি কৈদৌঙৈদসু মায় পাকপা ঙম্মোই। ঐখোয়না পাম্বদি য়াম্না লোইবা ওইরবসু, থরদং য়োকপা ওইরবসু য়েনশিং অদু য়োকপদগী মতিক চানা শেন্দোং ফংবা অমসুং অকবা য়েন, য়েরুম মরাঙ কায়না হোঙনা ফংহনবা অসিনি। মরম অসিনা মমাঙৈদগী চৎনরক্লবা য়েন খুৎলোই অসি হোংদোক্লনা অনৌবা মওংদা (modern scientific method) য়েন লোইগদবনি। অনৌবা কয়া চাং য়েংবা তাই, অহোংবা কয়া পুরকপা তাই।

---

(৩)

ডাপ লিটর কদায়বু কৌবগে?

য়েনগোন্দগী চৎথোকহন্দনা য়োকপা য়েন খুৎয়োকপু ডীপ লিটরদা য়েন য়োকপা হায়না কৌবা য়াই। লিটর হায়বা পোৎশক অদিনা ইঞ্চী ৬″ (তরুক) তগী ইঞ্চী ৮″ (নিপাল) ফাওবা থানা

য়েনগোনগী লৈমায়দা চাইথোকই। লিটরগী মথক্তা য়েনশিংনা চেন-চোংজুনা শাম্নদুনা লৈ, য়েনগোন্দগী মপান থোকহন্দে।

লিটর হায়বা অসি ভোঙান তোঙানবা পোৎশক্না ওইবা য়াই। লিটর ওইনা শিজিন্নবদা খুদোংচাবা পোৎশকশিংদি—ব্রাই, লৈবাকহন্নাই মকৃ, লশিং মরুগী মকু, চন্ন, শজীক অকংবা চু মনা, গেহু অসিনচিংবা। হায়রিবা পোৎশকশিং অসিগী মমুংদা হোঙনা অমস্তুং য়াম্না কংবা অমা লিটর ওইনা শিজিন্নবা য়াই। তোঁবদবু লিটর ওইনা শিজিন্নরিবা পোৎশক অদু য়াম্না কংবা অমস্তুং অথোৎপা পোৎশক ওইগদবনি। উফুল-ব্রাইফুল পকহন্দবা অমস্তুং ঈশিং নত্রগা মনিলগী শরুক লায়না চুপশিনবা ঙম্বা পোৎশক ওইগদবনি। য়াম্নস্তু থোৎলোইদবনি, কনস্তু কল্লোয়দবনি, কা হেন্নস্তু কুপ্পা পোৎশক ওইরোইদবনি। শজিক, চু মনা, চুবা চন্ন, চুজাক মনা অসিনচিংবনা লিটর ওইনা শিজিন্নবা তারবদি ইঞ্চী ১/২" শাংনা কক্কদবনি। গেহু, বার্লিনচিংবনা ওইরবদি কক্তুবস্তু য়াই। য়াম্না কুপ্পা পোৎশক্ক' লিটর ওইনা শিজিন্নরবদি উফুল হোইহল্লী। য়াম্না পোঁবা অমস্তুং অকনবা পোৎশক ওইরগনা য়েনথি-য়েনয়ুংগা লিটরগা ইরায় ল্যায়না তিন্নশিনবা ঙমদে।

য়েন্থী-য়েনয়ুংগা লিটরগা তিন্নরগ অতোপ্পা পোৎশক অমা ওইরকই। মীৎনা উবা ফংদবা মহিক্লা (bacteria and other micro organisms) য়েন্থী-য়েনয়ুংগা তিন্নরবা লিটর অদু মপুং ফানা তোঙানবা মশক অমদা ওম্থোকই। মহিক্লা (bacteria) লিটরবু মশক ওম্থোকহনবা অসি অহানবদা লিটর হাপথিবা মতুং

খা ১/২ গী মতুংদা হৌরকই। খা ৩/৪ গী মতুংদদি লিটর ওইনা শিজিন্নখিবা পোৎশক অদু মওং হোংলকই। নিংথিজনা মওং হোংলবা লিটর অদুবু কমপোস্ত লিটর (compost litter) নত্রগা বিল্ট উপ লিটর (built up litter) হায়না খঙনৈ। কমপোস্ত লিটরগী মচুদি খা খরগী মমাঙদগী উখোংদা, নৈপাক্তা কেন্দুনা লৈরবা উনা (minlch) মচু মাল্লী। মচু মুশিল্লবা হৱাই মকু নত্রগা ৱাই মাল্লী। তকথায়রবা চেং-হৱাইসু মাল্লী।

---

(৪)

লিটর অফবা হারনি

ডীপ (Deep) হায়বগী অর্থদি ৱাম্মা "থুপ্পা-লোম্না লৈবা" হায়বনি। অদুগা লিটর হায়বা অসিনা "হার" হায়না অর্থ কনবা ৱাই। অদুনা ডীপ লিটর (Deep litter) হায়বগী অর্থদি লোম্না-থুপ্পা লৈবা হার হায়বনি। করিগীদমক্তা লোম্না থুপ্পা লৈবা হার হায়রিবনো? লিটর ওইনা শীজিন্নরিবা পোৎশকশিংদি ৱাই, চু মনা, চুজাক মনা, হোৱায় মকুপ, চরু, বালী, গেহু অসিনচিংবনি। হায়রিবা পোৎশকশিং অসিনা অফবা হার অমা ওইরকনি হায়বসি থাজনদে। অদুবু য়েন্সী-য়েনয়ুংগা তিন্নৱগা লিটর ওইরিবা পোৎশকশিং অদু মহিক্রা (bacteria) তোঙানবা অশক অমা ওন্থোকই, অফবা হার অমা ওইহল্লী। ওন্থোকলিবা অদু উহৌবা, খঙহৌবা লৈতনা লোম্না-থুম্না ওন্থোকখিবনি।

অদুগা ওস্তোক্লবা লিটর অতুস্ত অকবা হার অমা ওইহল্লী। মরম অদুনা ডীপ লিটর (লোম্না লৈবা হার) হায়না .কৌরিবনি।

য়েন্থী-য়েনয়ুংদা নাইট্রোজেন (Nitrogen) চাওরাক্লা চামদা ১ (অমা) য়াওই। কমপোস্ত লিটরদদি নাইট্রোজেন (3 p.c.) চামদা ৩ (অহুম) রোম য়াওই। নাইট্রেজেন নত্তনা ফোসফরস (Phosphorus)-2%, পোটাস 2% অমসুং অতোপ অতোপ্পা ত্রেস এলিমেণ্টস্ (trace element) য়াওরি। মরম অদুনা কমপোস্ত লিটর অসিবু অকবা হার অমনি হায়না লৌনৈ। য়েন ৪০ (নিফু) না চহী অমদা ডীপ লিটর কেঃজী: ১০০০ (লিশিং অমা) থোকহল্লী। একব অমগী লৌফমদা চাইবদা মতিক চানা ওক্কনি। মনা মশিং থাবা ইংখোলদদি একর মথাই অমদা চাইবা ওক্কনি। য়েন ৩ (অহুম) না চহী অমদা থে কহনবা হাবগা হায়বদি ডীপ লিটরগা যনবী অমনা থোকহনবা হারগা চাং মান্নবা য়াই। উ পান্দী অমদা চহীদা চঙগদোবা হার অদু য়েন অমনা চহীদা থোকহনবা ডীপ লিটরনা শীজিন্নবা য়াই। হায়বদি য়েন অমনা চহীদা ডীপ লিটর মণ অমগী মরী থোকপগী অহুমদি (¾) থোকহল্লী

কমপোস্ত লিটর টন অমদা মথাদা পীরিবা পোৎশকশিং অসি য়াওই।

এমোনিয়ম সলফেৎ (Ammonium sulphate)—৩০০-৩২৫ পাউণ্ড।

সুপর ফোসফেৎ (Super Phosphate)—২৫০-৩০০ পাউণ্ড।

পোটাসিয়ম (Potassium) — ১০০ পাউণ্ড।
মেগ্নেসিয়ম (Magnesium) — ১৫ পাউণ্ড।
সোদিয়ম (Sodium) — ১৫ পাউণ্ড।
কেলসিয়ম (Calcium) — ১৫ পাউণ্ড।

মথক্কী পোৎশকশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা পোৎশক খরস্তু য়াওই।

হৌজিক্কী মতমদা হারগী মগুণ য়াম্না খঙনরে। হার হাপ্পগা চাথোক হেনগৎহল্লী। ডীপ লিটরগী হারগী মগুণ অসিস্তু ঐথোয়না কাউথোকপা য়াদে। অতোপ্পা লমদদি ডীপ লিটর য়োনবদা তোঙানবা আয় (income) য়াম্না লাকই

(৫)

ডীপ লিটরদগী য়েনগী অফবা চিঞ্জাক হংই

য়েন্থী-য়েনযুংগা তিম্নরগা লিটরবু মহিক্লা (bacteria and other micro organisms) তোঙানবা মশক অমদা ওন্থোকই হায়না মথক্তা পনখরে। মপুং ফানা মশক ওন্থোক্লবা লিটর অদুবু কমপোস্ত লিটর (Compost litter or built up litter) হায়না খঙনৈ। কমপোস্ত লিটরনা অফবা ফার মখল অমা ওইবত্ত নত্তনা য়েন্না চাবদা য়াম্না ফবা পোৎশক খরস্তু থোকশিল্লি। মহীক্লা লিটরবু কমপোস্ত লিটর ওলহনবা মতমদা ভিটামিন বি$_{১২}$, বি$_{২}$ নিয়াসিন অমস্তুং অতোপ্পা ত্রেস এলিমেণ্ট (trace

element) নচিংবসু থোকহল্লি। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি য়েন্না চারবদি মরুম কোকপা হেল্লি, মশা চাউবা হেল্লি। লিটরদগী য়েন্না মশানা থিদুনা চাজরবনিনা চিঞ্জাক পীবা মতমদা পোৎশকশিং অসিগী চাং হন্থনা পীবা য়াগে। হায়বদি, চিঞ্জাক্তা চঙ্গদবা চাদিং খরদি হন্থহল্লি। ডীপ লিটর কিলো অমদা ভিটামিন বি$_{১২}$ মিলিগ্রাম ২৩৬ কংই, রাইবোফ্লেবিন মিল্লিগ্রাম ৯ লোম অমসুং নিয়ামিন মিলিগ্রাম ৯ লোমসু কংই।

---

(৬)

ডীপ লিটরনা অনাবা কয়াদগী ঙাকথোকই।

মহিক্লা (bacteria) লিটরবু তোঙানবা পোৎশক অমা ওলহনবা মতমদা (bacterial fermentation) অনাবা পোকহনবা ঙম্বা মহিক (germ) কয়ামরুম হাৎপা ঙম্বগী শক্তী (sterilizing action) অমসু থোকহল্লি। মরম অদুনা ডীপ লিটরদা লান্নদুনা লৈবা য়েনশিংদি য়েলহীক (ticks, lice, mites) পক্কে, মশা ফনা লৈ। লৈমায়দা তাদুনা লৈরবা মহিকশিংনা মপানগী অঙ্গং-অশা থেংনরগা মতম কুইনা হিংদুনা লৈবা ঙমই, চাওখৎলকই। তীন্না (worm) নারবা য়েনশিংগী মথীদা তীনশিং অদুগী মরুম (ova) য়াওরকই। লৈবাক্কী অঙ্গং-অশা, মপানগী মুংশিং-মু শাগা থেংনরগা মরুমশিং অদু চাওখৎলকই। মপুংফানা চাউরবা মরুমশিং অদু চাবথকপদা য়াওরবদি চাখিবা

য়েন অদুস্থ ভীগ্না নাই। অদুবু ডীপ লিটরদা য়োকপা য়েনশিংদি খুদোংথীবা অসিদগী লাইনা নাম্থোকপা ঙমই। মরমদি— লিটর ওইরিবা পোৎশকশিং অদু অকংবা পোৎশক্নি। ঈশিংগী শরুক চাং য়াম্না হন্থনা য়াওবা মরম্না মহিক (germ) অমস্তুং ভীন মরূমশিং (ova of internal parasites) অদু মতম কুইনা হিংবা ঙমদে। লিটরগা য়েঙ্খি-য়েনয়ুংগা ভিন্নরবা মতমদা অশাবগী (heat) চাং হেনগৎলকই অমস্তুং মদুগা লোয়ননা এমোনিয়াস্থ (ammonia gas) থোকহল্লকই। অশাবা (heat) অমস্তুং এমোনিয়াগা থেংনরবা মহিক অমস্তুং ভীন মরূমদি য়েন-শিংনা চাখ্রবস্থ অনাবা কোকহনবা ঙমদে। মরু ওইনা ডীপ লিটরদা য়োকপা য়েনাদ ভীনগী লায়না (worm disease) অমস্তুং কোকসিদিয়োসিস (coccidiosis) না নারকনি হায়বগী চিংনবা লৈতে। ভীনগী লায়নানা অমস্তুং কোকসিদিয়োসিসনা নারবদি মরূম কোকপা হৈঙ্খে, চাউদম থী, শিবস্থ য়াওই। হায়রিবা লায়নাশিং অসি য়েন অমদগী য়েন অমদা ভোয়না লৌনগনবা লায়নানি।

মতম খুদিংমক্তা য়েনগোন্দগী চথোকহন্দনা থমলবস্থ ডীপ লিটরদা থম্বা য়েনদি হকচাং শাজেল (exercise) রাংত্তে। য়েনশিংনা মহৌশাগী ওইবা শাজৎ মতুংইন্না লিটরদা মখোঙনা খোৎলি, মচিঙাক থি। মদুনা মখোয়গী হকচাং শাজেল হায়-বদু মতিক চানা ওই। মরম অদুনা চৎথোকহন্দনা, মতমকুইনা ক্লাজিন্দুনা থম্বা অমস্তুং কাহেন্না চিনবদগী থোকপা ফত্তবা

শাজৎ (vice) হায়বদি, মতু ফোইদৎপা, মরূম চাথোকপা, অমগা অমগা চিরুবা অসিনচিংবা কয়ামরূমস্তু থোকহন্দে।

---

(৭)

য়েনগোন

ডীপ লিটরদা য়েন য়োকপা তারবদি য়েনগোন করম্না শাগনি? মুংশিং-মুংশা নীংথিজনা ফংগদবা মকম, চোত্তবা লম থনগদবনি। পায়খৎলক্লীবা থবক অদু তুংদা পাকথোরকপা অমস্থং চাংথোরকপা য়াবগী ব্রখল খল্লগা য়েনগোন শাহৌগদবনি।

য়েনগোন শাবগী অকুপ্পা নিয়ম খরা মথাদা পীরি।

১। লৈমায়ঃ—

অচৌবা য়েন অমগীদমক্তা স্কোর ফুট ৪ (মরি)গী হিংদা পারগা য়েনগোনগী পাক চাউবা লেপকনি। খুদম ওইনা, য়েন ৫০ (য়াঙ্খৈ)গীদমক্তা ফুট ২০´ (কুন) শাংবা, ফুট ১০´ (তরা) পাকপা (২০´×১০´=২০০´, ২০০´÷৪=৫০) য়েনগোন অমা শাবিবা য়াই। মরাক ময়ুং মাম্নবনা খুদোংচাবা হেল্লী। লম লৈরবদি য়েন অমগীদমক্তা স্কোর ফুট ৫ (মঙা)গী হিংদা থম্বনা কৈ। অরাংবা, অঙৈংবা অমস্থং নোং য়াম্না চুবা লমদদি, হায়বদি ফুট ৫০০০´/৮০০০´ রাংবা লমদদি ফুট ৫ (মঙা)দগী তাহনবা কত্তে। চাউবা নক্রগা লুম্বা (weight)গী মতুংইন্না য়েন অমগীদমক্তা দরকার ওইবা লম লেপ্লে! হায়বদি, অঙাংবা য়েনগীদমক্তদি (হুবাইট

লেগ হোর্ন) স্কৱার ফুট ৪ (মরি) দগী হম্থহনবা য়াই। য়েন অমগীদমক্তা স্কৱার ফুট ৪ (মরি) হায়না লেপ্লবস্থ থর মথৈ থৈদোক-থৈজিন তৌবা য়াই। হায়বদি—ফুট ২০ (কুন) শাংবা, ফুট ১৫ (তরামঙা) পাকপা য়েনগোনগী স্কৱার ফুটতি ৩০০´ নি। স্কৱার ফুট ৪ (মরি) গী হিংদা পারুরবদি য়েন ৭৫ (হুম্ফুতরামঙা) দমক থম্বা চল্লি। অদুবু য়েন ১০০ (চামা) ফাওবা থম্বদা থোইদোকপা অকায়বা লৈতে।

য়েনগোন শাগদোরিবা লৈমায় অদু অকোয়বদগী থরা রাংহনগদবনি। চেক নত্রগা নুংনা চনবা (cemented floor) লৈমায় ওইরবদি খুদোংচাবা হেল্লি। লৈমায়দগী থরা রাখৎনা উনা নত্রগা রানা কোপ হাবস্থ য়াই। লৈবাক্তগী অঙৈংবা চুপথৎলক্লনা লিটরশিং অদু চোৎহল্লবদি ডীপ লিটরগী অর্থ মপুং ফাত্রে।

২। ফকলাং :—

য়েনগোনগী লৈমায়দা লিটরনা ইঞ্চি ৬´-৮´ থানা থাগদবনি অমসুং য়েনশিংনা মদুগী মথকতা চেন-চোংদুনা শাম্বা মতমদা লিটর অদু তাখিদনবা য়েনগোনগী অকোয়বদা ফুট ২½-৪ রাংনা ফকলাং থাগদবনি। ফকলাংগী মথক থংবা শরুক অদুদি অশেংবা সুংশিৎ চঙনবা জালীনা নত্রগা রাচেৎনা থাগদবনি। ফুট ২½-৪ রাংনা থারিবা ফকলাং অদুনা নোং হায়জিন্দুনা লিটরবু চোৎহনবদগী ঙাকথোকই। অয়াকপা সুংশানা, য়াম্বা ঈংবা সুংশিৎনা অমসুং শোংনা য়েনশিংদা হকথেংননা য়েবা ঙমদে। নোং য়াম্বা চুবা নত্রগা সুংশিৎ য়াম্বা শিৎপা মফমদদি ফুট ৪ দগী নেম্বা

ফক্লাং খাবা ফত্তে। অশাবা লমদদি কুট ২ দমক রাংনা ফক্লাং খারবস্নু য়াই। হোঙনা ফংবা, অকংবা উরানা ফক্লাং খাবা য়াই। চেক নত্রগা নুংনা ফক্লাং খারবদি মতম কুইনা চৎলি অমসুং হুরান চিঙ্খীদগী ঙাবথোকপা ঙমই। ফক্লাং খাবা মতমদা য়ারিবমখৈ কাচিন কোয়া লৈতনবা হোৎনগদবনি। মরমদি—কাচিন কোয়াদা য়েলহিক্লা অয়ুক ঙংথিলদা লোংতুনা লৈ, নুমিদাংদা থোররক্লগা য়েনগী মশাদা তোংই, চিকই। ফক্লাংগী মথক থংবা শরুক অদু রাচেৎনা খাবা তারবস্নু রাচেৎ অমগা অমগা নকশিন্নবগী শরুক অদু য়ারিমখৈ হন্থহনবা ফৈ।

৩। য়ুমথক :—

নোং য়ুদনবা অমসুং অঙৈং অশাদগী বন্ননবা মমল হোংবা অমসুং খ্বাইনা শিঙ্জিন্নবা পোৎনা য়ুমথক কুপ্পা য়াই। য়েনগোন মনুংদা নত্রগা লিটরদা নোং হাইজিন্দনবা শাইজিন অদু মতিক চানা চোন্থহনগদবনি। য়াম্না ফৌবা য়ুমথক্কী মহোশানা নোং য়ুগল্লী। মরম অদুনা নীংথিজনা নোং চেন্থখিনবা ঙম্বা য়াবা মখৈ ঙমহনগদবনি। য়েনগোন মনুংদা অতোপ্পা উচেক-রায়া চঙদনবা ফক্লাং অমসুং য়ুমথক অনিগী তাইনবা শরুক অদু মেনশিনগদবনি।

য়েনগোন্দা কা কা খায়দোক্লবদি তোঙান তোঙানবা চহিগী য়েন থম্বা য়াই। চাউনা লিঙ্খৎখিবা ফার্মগীদি য়াম্না পাক-চাউবা মরাক ময়ুং মান্নবা য়েনগোন ওইহনবনা খুদোংচাবা হেল্লি, চাদিংস্নু হন্থহল্লি, সেবা তৌবা মীগীস্নু খুদোংচাবা হেল্লি।

পৈশা ইচঙ চঙদনা হোঙনা অমসুং লাইনা কংবা পোৎনা মথক্তা পনখিবা নিয়মশিং অসি ঙাক্লা য়েনগোন শাবা য়াই। য়েনগোন শাবগী নিয়মশিং অসিবু ঙাক্লবদি য়েন লোইবদা য়াম্না কিনা থোক্লিবা অদু শরুক তথাই অমদি মাঙখরে হায়না লৌবা য়াই। হৌদোকপা মতমদা শেন্নেপ খরা চঙখি হায়বগী রাকমদনি, নীংথিনা অমসুং চেকশিন্না য়েনগোন শাহৌবদা চিংননীংঙাই করিস্থ লৈতে।

য়েনগোন শাবগী নিয়ম শমলপ্না হায়রবদা :—

১। মুংশিৎ-মুংশা, নোং, কা হেন্না ঈংবা অসিনচিংবদগী য়েনশিংবু ঙাকথোক্কদবনি।

২। কাচিন কোয়া লৈতবা অমসুং শেংদোকপদা থুনোংচাবা, য়েনগোন ওইগদবনি।

৩। লৈনিন কাদনবা অরাংবা অমসুং য়াম্না চেৎশিনবা লৈমায় ওইগদবনি।


৪। উচেক-রাখা, লিন, উচি হূরান-চিন্থৌদগী নীংশিনা ঙাকথোকপা ঙম্বা য়েনগোন ওইগদবনি।

৫। পৈশা চঙদবা অমসুং কুইনা চৎপা য়েনগোন ওইগদবনি।

৬। মুংশিৎ-মুংশা নীংথিনা কংবা য়েনগোন ওইগদবনি।


৭। য়েনগোন অমগা য়েনগোন অমগা য়ারবদি কুট ১০০ (চামা) লাপ্লহনবা কৈ।

৮। য়েনগোন শাবা মতমদা লমদম অদুগী মুংশিৎ অদুনা য়েনগোন থুদিংমক কাওনা শিংপা। তৌইগুম্বসুং য়েনগোন অমদগী য়েনগোন অমদা কাওনা শিংৎলোইদবা মকম অমসুং মাইকৈ য়েংগদবনি।



ঘেন [লিপিং জমা] ডীপ লিটার:

মমাঙগী শরুক (২)



য়েন ১০০ (চামা) থম্বা য়াবা ডীপ লিটরগী য়েনগোনগী লৈমায় (৩)

(৮)

ডীপ লিটরগী য়েনগোন্দা মতৗক চাবা ভেনটিলেসন।

(নুংশিৎ-নুংশা চৎথোক-চৎশিন তৌনবা থোঙনাও)

ডীপ লিটরগী য়েনগোন্দা মতিক চাবা ভেনটিলেসন হায়বদি নুংশিৎ চৎথোক-চৎশিন তৌনবা থোঙনাও মতৗক চানা পানগদবনি। মরমদি :—

১। **য়েনগোন্দগী ফত্তবা নুংশিৎ (foul air) পুথোকখিবা, অফবা নুংশিৎ পুশিল্লকপা।**

য়েন্না মীওইবদগী শরুক ৩ (অহুম) হেন্না অশেংবা নুংশিৎ দরকার ওই। কিলো অনিয়োম লুম্বা য়েনবী ১০০না পুং ২৪ দা অশেংবা নুংশিৎ চাউরাক্লা কিউবিক মিটর ১০০ দরকার ওই। মরম অদুনা চৎথোকহন্দনা ফাজিন্দুনা থম্লবনিনা ডীপ লিটরগী য়েনগোন্দা অশেংবা নুংশিৎ চঙননবা মতৗক চানা থোঙনাও পানগদবনি। মিনিট অমদা য়েন্না নুংশাম্বর ১৫-৪৮ লক হোল্লি। নুংশাম্বর হোনবা মতমদা ফত্তবা নুংশিৎ থোরকই। ফত্তবা নুংশিৎ অদু অশেংবা নুংশিৎকা শিন্দোক্নবা দরকার ওই।

২। **য়েনগোন অমমুং লিটর মতম খুদিংমক্তা কংনা থমগদবনি।**

লিটরদা য়েন য়োক্লবমিনা মিনিট খুদিংগী লিটরদা ঈশিং তাহল্লি। য়েনশিংনা নুংশাম্বর হোনবা মতমদা ঈশিংগী মনিল

য়াওরকই। মনিল অদুনা লিটর অদু চোৎহল্লি। অদুগীমু মথক্তা য়েনগী মথী-ময়ুংদা (droppings) য়াওরকপা ঈশিংগী শরুক অদুনা লিটর অদুবু মতম লৈবা থিবিক্তা চোৎহল্লি। য়েনবী ১০০ দগী পুং ২৪ দা ঈশিং লিটর ১০ য়োম মথীগা লোয়মনা থোরকই। ঈশিং লিটর ৪ য়োম মুংশাম্বর হোনবদা য়াওরকই। য়েনশিংনা ঈশিং হাপ্পা পান্দ্রদগী ঈশিং থকপা মতমদা লিটর মথায় অময়োম ঈশিং থকপদা লিটর মথক্তা তাহল্লি। হায়রিবা ঈশিংগী শরুকশিং অসি অশেংবা মুংশিৎ ফংহল্লবদি লায়না কংহনবা ঙম্মী। মতিকচাবা থোঙ অমসুং থোঙনাও পান্দ্রবদি লিটরশিং অদু মতম পুম্নমক্তা চোৎহল্লি। চোৎলবদি অনাবা পোকলকই। লিটরনা চোৎলবদি কমপোস্ত লিটর ওইবা ঙমদে। মনম নমথিরক্নি, মহীক পোকলক্নি।

৩। অঙৈংববুদি অশাবনা থাঙবা রায়।

য়েন মশাগী অঙৈং-অশা (body temperature) ডিগ্রী ১০৭° ফাঃ নি। মিনিট অমদা থিছল চাউরাক্না ৩০০ রক হুল্লি। য়েনগী মশাদা হুমাং থোকহল্লবা শরুক (sweat gland) য়াওদে। মুংশাম্বর হোনবা অমসুং মথী-ময়ুংনা য়েনগী অঙৈং-অশাগী চাং তমই। (regulation of the body temperature) মরম অদুনা য়েনদি অশাবা হায়রবদি থাঙবা রায়।

অশাবা লম অমসুং অশাবা মতমদদি য়েনগোন ভদুদা মুংশিৎ নীংথিনা চঙননবা থৌরাং তৌগদবনি। মরু ওইনা

ভীপ লিটরদা য়েন য়োকপা তারবদি য়েনগোন্দগী অশাবা মুংশিৎ মপান্দা চৎথিনবা অদুগা মপান্নগী অঙৈংবা মুংশিৎ মনুংদা চঙনবা থোঙনাও মতীক চানা পানগদবনি। মরমদি মথক্তস্ন পনথরে, লিটর ওইরিবা পোৎশক অদুগা য়েনথী-য়েনয়ুংগা তিন্নরবা মতুংদা মহীক (bacteria) না লিটর অদুবু অতোপ্পা পোৎশক অমা ওন্থোকহল্লি। ওন্থোক্লবা হোৎনবা মতমদা (during the process of bacterial formentation) লিটর ওইরিবা পোৎশক অদুগী অঙৈং-অশা (temperature) হেনগৎলকই। লিটরগী মনুংদা খুৎ-থিংজিন্দুনা য়েংবদা অশাবগী চাং ইরায়-লায়না লেপ্পা ঙম্মী। লিটরদগী থোরকপা অশাবা অদুনে, য়েন মশাদগী থোরকপা মরু হোনবদা য়াওরকপা অশাবা অদুনে পূল্লগা য়েনগোন অদুগী মশাগী মৈজবা অশাবা শরূক অদুদগী হেন্না শাগৎহল্লি।

অশাবগী চাং হন্থহন্দ্রবদি মচিঙ্গাক চাবা ব্রাৎলি, মরূম কোকপা হন্থরকই, অনাবদগী ঙাকথোক্লবা য়েন মশাগী শক্তি হন্থরকই। অঙৈংবা ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি মতু পাল্লি। কা হেন্না ঈংবগী-দমক্তদি অঙৈংবা অদু ঙাকথোক্লবা ককলাং নীংথিনা খাজিনবা তাই। বোড়া নত্রগা ককুবা কিনা (য়েনগোনগী অকোয়বদা ঙাকশিনবীরবদি থরা মথৈদি লুম্না নৈহনবা ঙমই।

(৯)

য়েনগোন্দা থমগদোবা পোৎশক
(Internal fitmens)

ডীপ লিটরগী য়েনগোন মনুংদা থম্বা য়াবা পোৎশকশিং অদু মফম চানা অমসুং য়েনশিং অদুগী দরকার ওইবগী চাং কায়দনা থমগদবনি। হায়বদি থমফম থোকপা পোৎশকশিং অদু মশীং শুনা অমসুং মফম চানা থমত্রবদি নীংথিনা অমসুং নিয়ম চুম্না শারবা য়েনগোন ওইরবসু কায়ফম থওদে। য়েন-গোন মনুংদা থমগদোবা পোৎশিংদি :—

১। লিটর :—

য়েনগোনগী লৈমায়দা ইঞ্চি ৬″-৮″ থানা লিটর হাপক-দবনি। য়েম্নাও মচা থম্বা তারবদি ইঞ্চি ১ (অমা) দমক থানা হাপ্পা য়াই। অদুবু হেম্না চাওথৎলকপগী মতুংইন্না লিটরসু মথং মথং হাপথৎলকদবনি। মপূং ফারবা মতমদদি ইঞ্চি ৬″-৮″ থানা লিটর হাপকদবনি। নোংজু থাদা লিটর হাপ্পা অমসুং শিন্দোকপা ফত্তে। অকংবা মতমদা, নোংজু থাদি য়োৗগদবা থা ৩ | ৪ রাৎলিঙৈদা লিটর হাপ্পা অমসুং শিনবা কৈ। মরমদি—অচোৎপা লিটর হাপলবদি কমপোস্ত লিটর (compost litter) ওইবা ঙমদে। মহীক (bacteria) না লিটরবু কমপোস্ত লিটর ওইহনবা হায়বা অহিংসু থা থরদি

চঙই হায়নস্থ মথক্তা পনজখরে। অদুনদি নোংজু থা ৱোক্রি-ঙৈদা কমপোস্ত লিটর ওইহৌনবা থা ৩/৪গী মমাঙদা লিটর হাপ্নবদি নত্রগা শিল্লবদি কৈ। নোংজু থাদা হাপ্তবা য়াদদুনা হাপ্পা তারবদি অতোপ্পা য়েনগোন্দগী কমপোস্ত লিটর (Starter) খরা হাপ্লবদি নৌনা হাপ্লিবা লিটর অদু কমপোস্ত লিটর ওই-হনবদা খুদোং চায়। নত্রগা লিটর অদুদা হোরায় মকুপ খরা হাপচিনবস্থ য়াই। লিটর অদু তোয়না মথক মখা ওনখা তাই। ঈশিং হাপ্নবা পাত্রদা ঈশিং হাপ্পা মতমদা য়ারিবমখৈ লিটর মথক্তা ঈশিং তাদনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা তাপ্রবস্থ অচোৎপা লিটর অদু খুদক্তা লোথোকহৌগদবনি। চয়োল অমগী মমুঙদা য়ামত্রবদা অমুক্তংদি লিটর অদু মথক মখা ওনগদবনি।

২। ঈশিং থম্নবা পাত্র

অতোপ্পা জীবদি নোংমদা ঈশিং অমুক অনিরক্তমুক থকই। থকপা মতমদা য়াম্না থকপা ঙম্মী। য়েনদি মিনিট ১০-২০ খুদিংগী ঈশিং থকই। থকপা মতমদা খজিক্তমুক থকই। য়েনবী ১০০গী নোংমদা ঈশিং গেলোন ৪-৫ দরকার ওই। মচিঙ্গাক পীজত্রবস্থ মুমিৎ খরদি হিংবা ঙম্মী। ঈশিং থক্তবদি থুনা শি। মরূম কোকলিখা য়েনবীদি পুং ২৮ গী মমুঙদা মরূম কোকপা লেপ্পী। মতম খুদিংমক্তা অঈংবা ঈশিং পীথক্কদবনি।

লিটরদা ঈশিং তাদনবগীদমক্তা য়েনগোনগী করিগুম্বা মকম অমদা খাজিল্লগা ঈশিং হাপ্নবা পাত্র থমগদবনি। নত্রগা

পাত্র অদুগী মনাক অকোয়বদা ঈশিং চুপশিনবা য়াবা লৈঙোই-গুম্বা পোংশক থম্বীগদবনি। ঈশিং হাপ্পবা পাত্র মখল মখল লৈ। অপোংবা নত্রগা মকবা ঈশিং থকপা ফংনবা ঈশিং হাপ্পা পাত্র অদু মখুম খুমজিনগদবনি নত্রগা করিগুম্বা মওং মমনা থক্লবা ঈশিংদা মথী-ময়ুং তাদনবা হোংনগদবনি। মপুং ফাবা য়েন ৫০ গীদমক্তা ফুট ৩-৫ থাকদবনি (drinking space) পুখরগুম্বা পাত্র অমদা ঈশিং থম্না হাপ্পা কৌটা উপশিন্দুনা থম্মীয়ু। কৌটা অদুগী অহাঙবা মচীন মখাদা ঈশিং থোরক্লবা মখুন অহুম হুংতোকপিয়ু। অতোপ্পা মখুন অমসু হাম্নগী মখুন অদুদগী থম্না য়াংনা, পুখমগুম্বা পাত্র অদুগী মপান্দগীদি নেম্না অতোপ্পা মখুন অমগা হুংপীয়ু। মরিগুবা মখুন অদুগী মপা য়োত্রিকাওবা মখুন অহুম অদুদগী ঈশিং থোরকনি। মরিগুবা মখুন অদু ঈশিংনা হেক্ক ফুনখিবদা কৌটা অদুদগী ঈশিং থোরকলোই। কৌটা অমমুং পুখম মপানগী মরক্তা লৈবা ঈশিং অদু য়েম্না থকপা মতমদা মরিগুবা মখুন অদুদগী ঈশিংগী লৈমায় হন্থরকই। মতম অদুদা অতোপ্পা মখুন অহুম অদুদগী ঈশিং থোরক্লনি। মরম অদুনা তোয়না ঈশিং হৈবগী দরকার লৈতে। থক্লবা ঈশিংদসু মথী-ময়ুং তাদে। অসিগুম্বা মওংগী পাত্র অসিসু ড্রিঙ্কিং ফাউন্টেন (drinking fountain) কৌই। অতোপ্পা মখলগী ঈশিং হাপ্পবা পাত্রসু লৈ। য়েন অচৌ-পিশকী মতুংইন্না পাত্রগী অচৌ-পিশকসু থায়দোকই। বাল্টিন মচা অমা য়েনগী ঈশিং হাপ্পবা পাত্র ওইনা শিজিন্নবসু য়াই। তৌবদু

য়েম্না মালটিন অদুগী মপান্দা তোংদনবা হাববদি থক্রবা ঈশিংদা মথী ময়ুং তাদনবা মওং অমা শীনবীবা তাই। মতুম কৈরক্না মিরিক্না অকুবা অসম্ন অক্রবা ঈশিং পীথক্রবা থোরাং তৌবীগদবনি। মবুমদি, ঈশিং থক্পা য়াৎলগা মতম কোকপা হল্লরক-পদা নত্তনা মহীক পকপা নত্রগা অমোৎপা ঈশিং ওইরবদি অনাবা কয়া শন্দোররকবগী লম্বী অমা ওই

৩। মচিঞ্জাক হাপ্পবা পাত্র

চানবা চিঞ্জাক হাপ্পবা থোরাং কয়ামরুম লৈ। অদুবু, য়েনগী চিঞ্জাকশিং অদু লৈমায়দা নত্রগা লিটরদা অরেম্বদা তাথিদনবা করিগুম্বা পাত্র অমদা হাপ্পগা লৈমায়দগী ফুট ১-২ য়োম য়াংনা থম্বীগদবনি। চিঞ্জাক হাপ্পা পাত্রদা মথী-ময়ুং তাদনবা মওংদা শেমগনি। অচৌবা য়া অমা তথাই তানা থায়দোক্লগা য়েনগী চিঞ্জাক হাপ্পীবা য়াই। য়া তথাই অদুগী মথক্তা য়েনগী মঙক্তি থিংজিনবা ঙম্মা, মতুম তাবা কৈরা অমা ইশাং শাংনা কৈক্তিনগদবনি। য়েম্না তোংবা ক্রমদনবা মতুম তারা য়া অদু উরু উরু লৈরহনগদবনি। চিঞ্জাক হাপ্পবা পাত্র অদু য়ান্দুনা থম্মনা খুদোংচাবা হেল্লি। য়েনগী চাউবা পীক্পগী মতুংইন্না মথুন মথনগী চিঞ্জাক হাপ্পবা পাত্র শোম্বীগদবনি। হেংগিং ফিদর (hanging feeder) হায়রবা চিঞ্জাক হাপ্পবা পাত্র অসিনা থাইদগী কুবা ওইনা চৎনরে। ইঞ্চি ১৬ না কোনবা হেংগিং ফিদরদা হাপ্পা অশেম্বা চিঞ্জাকা য়েন ২৫ গী চয়োল অমগী ওকই। য়েন ৫০ গীদমক্তা মচিঞ্জাক চানবগীদমক্তা

ফুট ১০ থাকদবনি (feeding space) অমুক্কং হাপথ্রগা মতম কুইনা হাপতবা য়াবা পাত্রবু অকবনি হায়না লৌনৈ। মরূ ওইনা ডীপ লিটরদা য়েন য়োকপগীদমক্তদি হেংগিং ফিদয়না থাইদগী হেম্না কৈ। অপীকপা য়েনগীদমক্তসু অপীকপা হেংগিং ফিদর লৈ। তোয়না মচিঞ্জাক হাপত্রবদি সেবায় ৱাদরে, চিঞ্জাক মাগুদে, চাদিং হইয়ে।

৪। কৈরা

য়েনগোনগী মরাক নত্রগা মযুং থুংনা সুমিদাং য়ারেরবা নত্রগা পোথাদুনা লৈনবা লৈমায়দগী ফুট ২/৩ য়োম ৱাংনা, ইঞ্চি ১৮" লোম লাপনা কৈরা অমা অনি থম্মীবা য়াই। য়েন অমগীদমক্তা ইঞ্চি ৬"/৭" দরকার ওই। য়েন্না তোংবা মতমদা লৈদনবগীদমক্তা (rotating) য়েনগোনগী মায়কৈ মরী-দগী য়াম্বরকপসু য়াই। কৈরাদা য়েলহীক তোংদনবা ফক্লাংগা শম্মহন্দবনা কৈ। য়েনগী মশাদা পকপা য়েলহীকশিংনা অয়ুক-সুংথিলদা য়েনগোনগী কাচিন-কোয়াদা (cracks and cravice) লোত্তুনা লৈ। সুমিদাং ওইরবা মতমদা মকম অদুদগী থোরক্লগা য়েনগী মশাদা তোংই, চিকই, ঈ (blood and body fluids) চুপ্পী। য়েনশিং অদু পোথাকম থগুদে, মরূম কোকপা হম্বরকই, চাউদম থী। কাগুনা মীওইবগী হকচাংদা মেলেরিয়াগী (malaria) মহীক থাজিল্লম্বগুম করি করিগুম্বদা য়েলহীকশিং অদু চীকপদা অনাবা পোকহনবা গুম্বা অতোপ্পা মহীক য়েনগী ঈদা থাজিল্লম্বসু য়াই। মরম অদুনা কৈরাদা য়েলহীক তোংবা

ঙমদনবগীদমক হীদাক তৈশিনবা কৈ। অতোপ্পা মথলগী অমসুং মওংগী কৈয়া ওইবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না থনগদবদি য়েন হায়বা জাৎ অসি করিগুম্বা পোৎশক অমদা তোংগনবা জীবনি। মতুনা মখোয়গী পোত্থাজবা হায়বদু ওই। মরম অদুনা মখোয়না পোত্থাদুনা লৈজবা ফংননবগীদমক খুজিল থোয়াং তৌবিবা ঙাই।

৫। মরূম কোকফম

য়েনবী মঙা খুদিংগী মরূম কোকফম অমমম থম্বীবা য়াই নত্রগা কূট ৫ শাংবা কূট ২ পাকপা মকম অমদা য়েনবী ৫০ গী মরূম কোকফম (colony nest) ওইনা পুন্না শেম্বীবা য়াই। ইচম চম্না পোলাং অমদা মরূম কোকফম ওইহনবসু য়াই। পোলাং মসুঙদা অমোনবা চরূ নত্রগা য়াই, হোরায় মকুপনচিংবা থম্বীগদবা'ন। মরূম কোকফমদি লৈমায়দগী খয়া য়াংবা মফমদা থম্বীবা কৈ। মরূম কোকফমদা য়েনথী-য়েনয়ুং তাদনবা মথক থংবা শরূক অদু মাঙলোমদা নত্রগা তুংলোমদা ঙমথহনগদবনি। মরূম কোকফমদা য়েনহীক য়াম্না লৈগল্লি। মরম অদুনা তনান-তনানবা মরূম কোকফম শেম্বীবা কৈ।

---

(৬০)

য়েনগোন্দা মঙান

য়েনগোনগী মকম খুদিংমক মপুং ফানা ঙাক্লহনগদবনি। ঙাক্লবদি চিঙাক হেম্না চায়, মরূম কোকপা হেল্লি। সুমিদাং

পুং ৯ ফাওবা মৈ থানবা কৈ। অমম্বা হৈনদবা জীবনিনা য়েনগোনগী অমম্বা মকমদা কৈদৌঙৈদম্ব লৈতে। অঙানবা মকমদা পুল্লপ লৈগনি। লৈফম চিনবদগী ওইরকপা ফত্তবা শাজৎ কয়া থোরকপা য়াই। মরু ওইনা য়েন্নাওগীদমক্তদি য়েনগোন্দা নীংথিনা মঙান লৈহনগদবনি। নত্রবদি পুল্লপ তাশিন্দুনা (congregation) লৈবদগী অমগা অমগা নেৎনদুনা শিবা য়াওই। য়েনগোনগী মফম খূদিংমক মঙান লৈহনদ্রবদি য়েন অমগী স্কয়ার ফুট ৪ গী হৌংদা শারুম্বিবা য়েনগোন অদুগী কান্নবা লৈতরে। মরমদি য়েনশিংনা য়েনগোন অদুদা শীনবা থুংনা চেন-চোংদুনা লৈতে, অঙানবা শরূক অদুতদা লৈ। মুমিদাং পুং ৯ ফাওবা মৈ থানবদা চাবদা চঙথিবা চাদিং অদুদগী হেন্না শেন্দোং ফংই। হায়বদি মন্নম কোকপগী চাং হেল্লি।

---

(১১)

ডীপ লিটরদা য়েন য়োকপনা কান্নবা

ডীপ লিটরদা য়েন য়োকপনা মরম কয়ামরুমদা কান্নবা লৈ। মদুদি :—

১। য়েন অমগীদমক স্কয়ার ফুট ৪।৫ দমক দরকার ওই-বনিনা লম খজিক্তদা য়েন য়াম্না য়োকপা য়াই।

২। য়েনগোন্দগী মতম খূদিংমক্তা চৎথোকহন্দনা থম্মব-নিনা অমসুং নীংথিনা শেম শায়বা য়ুম্ন ওইরবনিনা হুরান-চিঙ্খীবগী ডাকথোকপা ওমই।

৩। ডীপ লিটরদা য়েন য়োক্লবদি য়েন ১০০০ গীদমক্তা সেবা তৌনবা মী অমথক্তমক দরকার ওই। থাদোক্ত্না য়েন ১০০০ লোইবা তারবদি য়ামদ্রবদা মী ৩ (অহুম) দি সেবা তৌনন-বগীদমক্তা থন্বা তাই। মরম অদুনা ডীপ লিটরদা য়েন য়োক্ল-বদি সেবা তৌবগীদমক্তা চঙগদৌবা পৈশাগী চাং য়াম্না হল্লরে; হায়বদি শেন্দোং য়াম্না লাকই।

৪। য়াম্নবু লোইরবস্থ খজিক্তংবু য়োক্লবস্থ চৎথোকহন্দনা থম্বনিনা লমতু মোৎহন্দে, লুনা-নাননা লৈবা ঙম্মী।

৫। য়েনগোন্দগী চৎথোকহল্লবনিনা ইথোলদা হৌবা য়েঙ্কাং-নাপী মাঙহনগনি হায়বগী চিংনবা লৈত্রে।

৬। হুই, হোদোং কাক, লমহুই, তোকপা, লাংজা, উচি, লিন অসিনচিংবশিং অসি য়েনগী য়েক্লবনি থাদোক্ত্না য়োকপা তারবদি হায়রিবা জীবশিং অসিনা শোকপগী, হাৎতোকখিবগী লম্বী কয়ামরুম লৈ। থুদোংথৌবা অসিদগী ঙাকথোকে হায়বা তারবদি য়েম্না চেন-চোংতুনা শাএক্তম ওইরিবা মকম অদু নীংথিনা থাজিনবা তাবনি। হায়বদি চাদিং কেনগৎনবনি। ডীপ লিটরদা য়েন য়োক্লবদি জীবশিং অসিনা শোকনি হায়বগী চিংনলিঙাই লৈত্রে, চাদিং হল্লরে।

৭। লমদা লৈবা শা-উচেক্তী লায়না কয়ামরুম য়েন্দস্থ নাই। অনাবশিং অদু অয়াম্বনা নরুবদগী, তিম্নবদগী য়েনদা লৌরকই। অতোপ্পা শা-উচেক্তা চঙবা ঙমদবা মকমদা থম্বব-নিনা লায়নাশিং অদুনা নারকনি হায়বগী কিক্তম লৈত্রে।

৮। নোংজু-নুংশাদা মতম কুইনা লৈরবদি, অকনবা নুংশিৎনা তোয়না য়ৈরবদি, কা হেন্না ঈংবা অমসুং চোৎপা লমদা লৈরবদি অনাবদগী ঙাকথোক্রবা শক্তি হন্থরকই, মরূম কোকপা হন্থরকই অমসুং চাউদম থী, চৎথোকহন্দনা য়োকপা তাহ্রবদি হায়বদি ডীপ লিটরদা য়েন য়োক্রবদি হায়রিবশিং অসিদগী লায়না কনবা ঙম্মী।

৯। চহি মান্নদবা য়েন থম্মীন্নরবদি অচৌবা য়েন্না অপীকপা য়েনবু চিকথৎপী, নীংথিনা চাবা ফংদবনিনা অপীকপা য়েনদি পিক্তুনা অদুম লৈকৌই চৎথোকহন্দনা নত্রগা ডীপ লিটরদা য়েন লোইরবদি তোঙান-তোঙানবা চহিগী য়েন য়োকপগী খুদোংচাবা ফংই। অফবা ঙাৎকী য়েন ওইজরবসু ময়ামগী মরক্তা অফ-ফত্তা য়াওবা হায়বসি মথৌশানি। অদুনদি থাক্ত-দগী ফবা য়েন খন্দোক্তুনা তোঙান্না থম্না য়াই। অফবা য়েনশিং অদুগী মচা লৌনবা হোৎনবা হায়বসি য়েন লোইবা মীওইশিংনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। মরমদি অফবা য়েনগী মচাদি মশানা ফফম থোকই, শেন্দোং হেল্লি। তোঙান তোঙান্না য়োক্লবদি অতোপ্পা য়েন কাংলুপ অমনা মরূম কোকপা লেপ্লবসু কাংলুপ অমদি মরূম শোয়দনা কোক্কনি। হায়বদি ফার্ম অদুদগী চহি চুপ্পা য়েরূম পুথোকপা ঙমগনি। ফংনদ্রবা মতমদা ফংবা পোৎ অদুদি মশানা মমল য়াম্মী। অনাবা য়েন য়াওরবসু খুদক্তা লৌথোক্তুনা লৈমিন্নরিবা য়েনশিংদা লৌনদনবা হোৎনবা য়াই। নিয়ম অমগী মতুংইন্না পায়থৎনীংবা থবক তৌনীংবা কন্না পাঙথোকপদা লায়না থোকই।

১০। মরুম হেন্না কোক্লবা, মশা কনা লৈনবা য়েনশিংদা ভিটামিন পীজগদবনি। ডীপ লিটরদগী মশানা ভিটামিন বি$_{2}$, বি$_{12}$, অমসুং ত্রেস এলিমেণ্ট থোকচরবনিনা পীজগদৌরিবা ভিটামিনগী চাং হেন্নবা য়াই। ডীপ লিটর কিলো: অমদা ভিটামিন বি$_{12}$ মিলিগ্রাম ২৩৬ অমসুং রাইবোফ্লেবিন অমসুং নিয়াসিন (Riboflavin and Niacin) মিলিগ্রাম ৯ রোম য়াওই।

১১। লিটর ওইরিবা পোৎশকশিং অদু কমপোস্ত লিটর ওইরক্লবা হোৎনরকপা মতমদা অতোপ্পা মহিক কয়ামরুম হাৎপা ঙম্বগী শক্তি (sterilizing action) থোক্লকই। মরম অদুনা য়েনশিংদা মহিক পকহনবা ঙমদে।

১২। কমপোস্ত লিটর হায়বা অসি য়াম্না কবা হারনি হায়না শিংথানরে। চহি অমগী মতুংদা কমপোস্ত লিটর য়োন-বদগীসু মতিকচাবা শেন্দোং ফংবা য়াই। য়োল্লবসু ইশাগী লবুক্তা, ঈংথোলদা শিজিন্নবা য়াই। লিটর অদু হার ওইনা শিজিন্নবগী কান্নবা অদুসু য়েন লোইবদা শেন্দোং ওইনা মশীং থাদবা য়াদে। লিটর টন অমনা একর অমদগী অম মথাইগী লমদা শিজিন্নবা য়াই।

১৩। ডীপ লিটরদা তীন মরাম্না অমসুং মহিক্লা (ova or eggs of worms and bacteria and other micro-organisms) মতম কুইনা হিংদুনা লৈবা ঙমদে। মরম

অদু। য়েনগী ভোয়না নাগনবা লায়না কোকসিদিয়োসিস (coccidiosis) অমসুং ভীনগী লায়না (worm disease) অসিনা নায়কনি হায়না থাজরুদবা য়ারে।

১৪। লিটর ওইরিবা পোৎশকশিং অদু অকনবা পোৎ নত্তবনিনা লিটর মথক্তা মরূম কোক্লবসু কায়বগী চাং (break-age) য়াম্না হন্সুহল্লী।

১৫। ডীপ লিটরদা য়েন য়োক্লবদি মতু কোইদৎপা, অমগা অমগা চীক্লবা, মরূম চাবা অসিনচিংবা ফত্তবা শাজৎ থোকহন্দে।

---

(১২)

ডীপ লিটরদা য়েন য়োক্লবদি মতম পুম্নমক্তা য়েনশিংবু য়েনগোন মমুংদগী চৎথোকহন্দনা থম্মী। মশানা চিঞ্জাক থিজ-ক্লবনিনা ঐথোয়না মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজবা তাবনি। য়েনগী মপুংফাবা চিঞ্জাক হায়বসি শরুক অনি থোকপা য়াই। মদুদি:—

১। কনসেনট্রেৎ [concentrate]

২। মরু-মরাং অমসুং চেংকুপ রাইকুপ।

অতোপ্পা জীবগুম্না য়েনশিংদা মশা চাউখৎনবা (growth) অমসুং মরূম কোক্লবা দরকার ওইবা মচি ওইবা পোৎচঙশিং পীজবা

ভাবনি। প্রোটিন, কার্বোহায়ড্রেৎ, মিনরেল অমসুং ভিটামিন অসিনচিংববু মচি ওইবা 'পোৎশক হায়না খঙনৈ। মথোয়শিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মথৌ নৈ। মদুদি :—

১। প্রোটিন :— য়েনগী মশা চাউখৎহন্নবা অমসুং মরূম কোক্লনবগীদমক্তা প্রোটিন হায়বা পোৎশক অসি দরকার ওই। থাওথী, ভা অমসুং শাদগী শেম্বা চিঞ্জাক, শা-ঙাগী চাকথাও অসিনচিংবদা ফংই।

২। কার্বোহায়ড্রেৎ :— হকচাংবু কনথৎহন্নবা অমসুং পাঙ্গল পীনবগীদমক্তা চঙবা পোৎচঙ অমনি। চুজাক, চেংকুপ, গেহু, অতৈ মরূ মরাংনচিংবদা কার্বোহায়ড্রেৎকী চাং য়াম্না ফংই।

৩। মিনরেল : মিনরেল হায়বা পোৎশক অসিমসু মশা চাউখৎহনবা অমসুং মরূম কোকপদা চঙব্রবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমনি। শুন্মু শঙ্কদগী শেম্বা চিঞ্জাক, কোংগ্রেং, থরোই মকূ অসিনচিংবদা মিনরেল ফংই।

৪। ভিটামিন :— ভিটামিন হায়বা পোৎশক অসিনা য়েনবু মশা ফনা, নাদ-য়েক্কনা লৈহনবদা চঙবা পোৎচঙ অমনি। অশংবা নাপী মনা-মশিংনচিংবদা ভিটামিন ফংই। কম্পানি কয়ানা পুথোকপা অশেম্বা ভিটামিনসু বাজারদা ফংই।

মথক্তা পীরিবা পোৎচঙশিং অসি চপ-চাবা চাংদা পীজরবদি মরূম কোকপা হেল্লী অমসুং মশা চাউবসু হেল্লী। চৎথোক-হন্দনা য়োকপা য়েন থুৎলোইদনা থোইদোক হেন্দোক্লা হায়রিবা

পোংশকশিং অসি পীজবা তাই। থাদোক্লুনা য়োকপা য়েনদি মশানা মথল মথলগী চিঞ্জাক থরা মথৈদি থিজবা ঙম্মী। অতুমক ওইরবস্থু দরকার ওইবা চাং অদু ফংবা ঙমদে।

চিঞ্জাক হায়বা অসি শরূক অনি থোকপা য়াই।

মতুদি : (১) কনসেনত্রেৎ অমসুং (২) মরু-মরাং অমসুং চেংকুপ-রাইকুপ। কনসেনত্রেৎ হায়বা অসিনা মিনরেল, ভিটামিন অমসুং প্রোটিনগী শরুক অসিবু কৌই অদুগা কর্বোহায়দ্রেৎ হায়বা অসিনা মরু-মরাং অমসুং চেংকুপ-রাইকুপনচিংববু খঙনৈ। চিঞ্জাক শেম্বা মতমদা লমদম অদুদা হোঙনা অমসুং য়াম্না ফংবা পোৎ খল্লগা কনসেনত্রেৎ অমসুং কর্বোহায়দ্রেৎকী চাং লেপকদবনি। চহীগী মতুংইন্না প্রোটিনগী চাং লেপ্পী। মরম অদুনা চিঞ্জাক শেম্বা মতমদা কনসেনত্রেৎ ওইগদৌরিবা চিঞ্জাক মথলশিং অদুদা য়াওবা প্রোটিনগী চাং য়েংগদবনি। থা অমদগী থা অনিশুবা ফাওবগী য়েনদি চিঞ্জাক্তা প্রোটিনগী শরূক ১০০ গী মসুংদা ২৫ দগী ৩০ ফাওবা য়াওহনগদবনি। থা অনিগী মথক্তুনা ২০ দগী ২২ ফাওবা য়াওহনগদবনি। মরম কোকদোরবা অমসুং কোক্লীবা য়েনগী চিঞ্জাক্তা প্রোটিনগী চাং ১০০ গী মসুংদা ২০ দগী ১২ ফাওবা ওইহনবা য়াই।

মথাদা পীরিবা পোৎচঙশিং অসিনা য়েনগী চাননবা কনসেনত্রেৎ শেম্বা য়াই।

কনসেনত্রেৎ চিঞ্জাক :—

১। থোইদিং অঙৌবগী নত্রগা অমুবগী থাওনী —	কিলো	৯½
২। ছাংগী শেম্বা চিঞ্জাক—	,,	২½
৩। শরুদগী শেম্বা চিঞ্জাক —	,,	১
৪। নীংথিনা নিকথোক্লবা লৈঙোই মকুপ অপোৌবা নত্রগা শুংঙো অকুপ্পা —	,,	½
৫। ভিটামিন অমসুং অতৈ মিনরেল —	,,	¼
	,,	১৩¾

মরূ-মরাং অমসুং চেংকুপ রাইকুপ হায়বশিং অসিদি কার্বো-হায়দ্রেৎকী শককা অয়াম্বনি। প্রোটিনগী চাং য়াম্না হম্বনা য়াওই। মথাদা পীরিবা মরূ মরাংশিং অসিনা য়েনগী চানবা চিঞ্জাক শেম্বা য়াই।

মরূ মরাং অমসুং চেংকুপ-রাইকুপ :—

১। তকথায়রবা চুজাক	কিলো	২০
২। চেংকুপ অমসুং গেহুগী চেংকুপ পুম্না	,,	২৮
৩। চিনি অঙাওবা	,,	৭
		৫৫

মথক্তা পারিবা চিঙ্গাক কিলো [illegible] গ্রাম [illegible] মনুংদা কনসেনট্রেৎনা ১০০ গী মনুংদা চাউরাক্পা ২০ গ্রামনি অদুগা মরু-মরাং অমস্তুং চেংকুপ-রাইকুপনা ১০০গী মনুংদা ৮০গ্রামনি। [illegible]য়বদি কনসেনট্রেৎনা শরুক ১ ওইবা মতমদা মরু-মরাংগী শরুক্পা ৪ নি। থা অনি অমস্তুং অনিদগী হেনবা য়েনশিংদা কনসেনট্রেৎকী চাংনা ১ অদুগা মরু-মরাংগী চাংনা ৪ ওইবা অশেংবা চিঙ্গাক অসি পীজবা [illegible] [illegible] প্রোটিনগী শরুক ১০০ গী মনুংদা ২২ দগী ২৫ কাওবা য়াওই। থা অনিগুবা কাওবদনা কনসেনট্রেৎকী চাংনা ১ অদুগা মরু-মরাংগী চাংনা ৩ ওইহনবা য়াই। হায়বদি প্রোটিনগী শরুক ১০০ গী মনুংদা ২৫ দগী ৩০ কাওবা য়াওই। য়েনবী ২৫০ না থা অমদা চিঙ্গাক টন অমা দরকার ওই। হায়বদি য়েনবী অমনা নোংমদা চিঙ্গাক আউন্স ৪ দরকার ওই। [illegible] য়েনশি চিঙ্গাক [illegible] [illegible] মরম কোকপগী চাংদু হেল্লি।

---

(১৩)

চিঙ্গাকী মরমদা [illegible] বারোল খরা

১। য়েন ১২ [illegible] [illegible] নত্রগা [illegible] পেথা চিঙ্গাক নোংমদা কিলো ১½ দরকার ওই। [illegible] পেম্বা[illegible] নত্রগা [illegible] চিঙ্গাক কাংত্রবদি থরোই, হওোই, ডা মকুপ; [illegible] [illegible]না মহুৎ শিনবা য়াই। অতেকপা ওইনা পীজবহ য়াই।

নত্রগা কুৎতোক্লগা পীজবস্থ য়াই। খয়েহি নত্রগা হত্তোইন্নচিংবা মত্তিক চানা কংত্রবদি লৈশৌ মচা, শম্বীদা লৈবা হয়া (Fly maggot) পীজবস্থ য়াই।

২। তিহৌ মনা, কোবী মনা, হঙাম মনা, য়েনদেম মনা, উ নত্রগা শজিক অনৌবগী মতোল, কবোকং মনা অনৌবা, তিংথৌ মতোল, অতোপ্পা শজিক কয়াগী মতোন অসির্নচিংবা মরাং কায়না পীজগদবনি।

৩। ভুৱেলদা তাবা পুংতৌ মচা-মচা অমম্বুং কোংগ্রেং মকু খরস্থ পীজবা য়াই।

৪। শা-ঙাগী শরূ-শয়াং তকথায়রগা পীজবা য়াই। চাখুৎলগী অয়েম অথাকস্থ পীজবা য়াই।

৫। য়েনগী চানবা চিঞাক্না থুম খজিকংস্থ হাপীবা য়াই।

৬। হজ্ঞাম থাওগী থাওখীদগী থোইনিং [illegible] [illegible] কবা হেন্না, হোত্তনা কংই।

৭। সুমিৎলৈ মরুনস্থ থাওথী নত্রগা [illegible] মহুৎ শিন-বস্থ য়াই।

৮। চুজাক্তী মহুৎ উ মুঙ্গা, ৰৈকব অমম্বুং [illegible] শিনবা য়াই। পীজবা ত্যারবদি কুৎত্তোক্লগা নীংথিনা কংহল্লগদবনি। অচুগা চিঞাক অতৈগা তিরশিলগা পীজগদবনি।

৯। য়ী, য়াখোক্তচিংবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পীজনবদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

১০। কৈথেলদা থোকপা কম্পানি কয়ানা পুথোকপা মশেম্বা ভিটামিন অমসুং মিনরেল শিজিন্নরবসু য়াই।

মশা চাউবা য়েন্না মশা পীকপা য়েনদগী চাবগী চাং হেল্লি। চাবগী চাং হেল্লবদি মরুম কোকপসু হেল্লি। অদুবু মপোকপৈদগী কৎলক্লবা য়েনদি হেন্না পীজরবসু মরুম কোকপগী চাং হেনগৎলক্কে। মরম অদুনা পীজবগী চাং অসি অরেপ্পা অমা থম্লগা মরুম কোকপগী চাংদগী অয়াম-য়ামদ লেপ্পা য়াই। হায়বদি মতম তৈবা খিবিক্তা চাদিং হেনখিদনবা হোৎনগদবনি।

---

(১৪)

থুজিল থৌরাং অমসুং শেন্নো শ্যাবিবা

লোংমগী মসুংদা অমুক অনিরক য়েনশিং অদুনা করি তৌরিবগে, করি চারিবগে, থকইবগে হায়না য়েংশিনবিবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। য়েংশিনবিবা য়াৎপদগী কন্তবা শাজৎ, মখল মখলগী লায়না কয়া থোরকই। মদুনা মরম ওইদুনা য়েন লোইবদা নীংহম্বা কয়া থোকই। য়েনগোন্দা য়েন পুশিল্লক্পিদা থৌরাং পুম্নমক মাংথোননা শেম শাদুনা থমকম থোকই।

চহি মাগদবা য়েন নত্রগা চাউবা মাগ্নদবা য়েন থম্মীগ্নবদি অপীকপা য়েনশিং অদু অদুম পীক্লনা লৈহৌই। মরমদি অচৌবা য়েন্না চীকপিদুনা অপীকপা য়েনদি মতিক চানা চাবা ফংদে। চহী মাগ্নদবা য়েনশিংগী মসুংদা চাউদম থীবসু ময়াওই। চাউদম থীবা য়েনশিং অদু অতোপ্পা মকম অমদা থম্মোক্লনা থমগদবনি।

ডীপ লিটরগী য়েনগোন্দা লাবগী মশীং য়াম্মল্লবদি চীরুদুনা লৈরিবৈদা য়েন অমোম কয়া মচিঞ্জাক নীংথিনা চাবা কংহনদে। মরম অদুনা অমোম তরাগা লাবা অমগগী হিংদা থম্মীবা য়াই। লাবা অমগা অমোম তরামঙাগগী হিংদসু থম্মীবা য়াই। তৌবদবু লাবা অদু মশা য়াম্না কহনবা তাবনি। অমোমগী চাংনা হেনগ্রবসু মচা ওনবগী চাং হন্থরকই। মহৌশানা লাবনা অমোমদগী চাউবা অমসুং রাংবা হেল্লী, মশা কনবসু হেল্লী। করিগুম্বদা মচিঞ্জাক চাবা মতমদা লাবনা চীকপিদুনা অমোম কয়া মচিঞ্জাক নীংথিনা চাদবসু য়াওই। মরম অদুনা লাবগীদমক্তা থর রাংনা হেংগিং কিদর (মচিঞ্জাক হাপ্নবা পাত্র) অদু য়ানবিরবদি থর মথৈ কৈ।

মতম লৈবা খিবিক্তা ঈশিং অমসুং মচিঞ্জাক রাৎহল্লোইদবনি। রাৎলবদি মরূম কোকপা হন্থে। য়েন কয়া অদুগী মনুংদা থম্মীবা চিঞ্জাক অদু অপাম-পামদ থনবা য়েনসু ময়াওরকই। অদুনা কোংগ্রেং নল্লগা নুংঙৌগী শরুক অদু তোঙাম্না অতোপ্পা পাত্র অমদা থম্মসু য়াই। অপাম্বা য়েম্না চায়. পামদবা য়েম্না চাদে। মরু ওইনা ডীপ লিটরদা য়োকপা য়েনদি মপুংফাবা চিঞ্জাক পীজদবা য়াদে। মশানা খিজল্লবনিনা ঐথোয়না থিদুনা পীজবা তাবনি। মপুংফাবা চিঞ্জাক পীজদ্রবদি মরূম কোকপগী চাং হন্থরকই, নাগল্লি। ডীপ লিটরদা য়োকপা য়েনদি নাগল্লী হায়নরিবা বাকম অসিমক মপুংফাবা চিঞ্জাক পীজদবদগীনি।

চয়োল অমগী মনুংদা লিটর অদু অমুক অনিরক মথক মথা ওন্থোকপা হায়বা অসিসু তোত্রবা য়াত্রবা অমনি। করিগুম্বদসু লিটরদা ইশিং তাহল্লোইদবনি। লিটর চোৎলবদি মনম নম-থিরকই, মহিক পোক্লকই, কমপোস্ত লিটর ওইদে। করিগুম্বদা লিটর অয়াম্বা চোৎপ্রবদি লিটর স্কার মিটর ০'৫৪—০'৭২ খুদিংগী মুপর কোসকেৎ নত্রগা শুমু (hydrated lime) কিলো ১ অমগী চাংদা লিটরগা তিন্নশিনবা য়াই। শুমু য়ানশিনবা অসিনা এমোনিয়া গ্যাস থোরকপদা মতেং পাংই। শুমু য়াম্না য়ানশিনমল্লবসু কমপোস্ত লিটর শেম্বদা খুদোংচাদবা লৈ। কুইক লাইম (quick lime) দি লিটরদা কৈদৌউদসু য়ানশিল-লোইদবনি। লিটর তোয়না ওৎলবদি য়েনথী য়েনমুংগা নীংথিজনা তিন্নহল্লী। নীংথিনা তিন্নরবদি কমপোস্ত লিটর মপুং ফানা শেম্বা ঙমই।

ডীপ লিটরগী য়েনগোন্দা য়েম্না লৈবদা করিগুম্বদসু চিম্না থোকহল্লোইদবনি। মতিক চাবা কৈরাসু শাবিগদবনি। নত্রবদি চিনবদগী লায়না অমসুং ফত্তবা শাজং কয়ামরুম থোরকই। য়েনগোন্দা মুংশিৎ-মুংশা মতিক চানা ফংবরা, মণ্ডান নীংথিনা ফংবরা হায়নসু ঙস্তুনা য়েংশিনবিবা দরকার ওই।

মরক মরক্তা য়েনগী মতু মরক্তা য়েনহীক লৈবরা, অমগা অমগা তোয়না চীক্রবরা, শোন্দম নাদম্বা য়াওবরা, মরুম চাথোক্পা য়াওবরা অদিনচিংবসু য়েংশিনবিবা কায়ে। করিগুম্বা য়াওরবদি ময়ামগী মরক্তগী তোওায়া থাইদোক্লুনা থখীগদবনি।

মরক্ম লোখোকপা চঙবা মতমদা, নত্রগা মচিঙ্গাক পীরবা, ঈশিং হাপ্লীবা মতমদা কব্রিগুমদা য়েনশিংনা কিক্লুনা কোইপাই পায়ীবা য়াওই। য়েন হায়বা অসি য়াম্না থংগনবা জীবনি। অমনবু খিঙ্গবদি ময়ামম্ব অচুম কি। সেবা তৌবা মীনা য়েন-গোন্দা চঙবা খুদিংগী য়েনশিং অচুবু কোইপাই পাইহল্লবদি ককায়বা কয়া লাকই। মরম অচুনা সেবা তৌরিবা মী অদুনা অচঙবা খুদিংগী খোঙদা খিনবত্রা নত্রগা হুই খোংবরা মুক্তিগী থোকপা চপ মায়বা খোঞ্জেলনা হায়া খুদম উৎকরবনি। মুমিৎ থর লৈরবদি য়েনশিং অদু করিস্থ মীপাইরোই। য়েন হায়বা জীব অসিস্থ থবা মথৈদি তম্বীবা য়াই।

মথক্তা পনখিবা ময়াম অসি কায়দনা তৌরবগী মথক্তা য়েনশিং অদুগী মরক্তা অনাবা নত্রগা শোন্দম-নাদবা য়াওবরা হায়না য়েংশিনবা অসিস্থ মরু ওইবা অমনি। অনাবা য়াওরবদি খুদক্তা খোখোকপিগনি। তশেংনা নাহে হায়না খঙলবদি লৈমিন্নরিবা অতৈ য়েনস্থ নায়কপা য়াবগী লম্বী লৈবনিনা তৌবা য়াবা হিদাক-লাংথক তৌবিহোগদনি।

অপীকপা য়েনস্ত্র ভীপ লিটয়দা থম্বীবা য়াই। মথোয়না চাউ-খংলকপগী মতুংইয়া লিটয়স্থ মথং মথং ইঞ্চী "৬—৮" লৌনবা হাপ্লীবা য়াই। চিঙ্গাক হাপ্পবা পাত্র, ঈশিং থক্কবা পাত্র, কৈয়ালচিংবা য়েন অদুগী চাউবা পীকপগী মতুং ইয়া শেম্বীগদবনি।

পোকপদগীনা মরক্ম কোক্লীবা য়েন কাওবগী মফুদা অক-কত্ত হায়বসি অচুম ময়াওই। মরম অদুনা কচবা য়েন থপোকপা

হায়বসি লেপ্পা য়াদে। মরমদি কত্তবা য়েন লোইরবদি শেন্দোং য়াৎপা হায়বসি মশানা তাবনি। খাইনা য়েন য়োকপদা নীং-হন্নরকপগী অচৌবা মরম অমনা কত্তবা য়েন খন্দোকপা য়াৎপননি।

ডীপ লিটরদা য়োকপা য়েন্দি য়েংশিনবিবা, খুজিল্ থৌরাং তৌখিবা হায়বসি তোকপা য়াদে। মপান্দগী পুরকপা য়েন্দি মরম য়াম্না কোকচরবস্থু নাগল্লী, শিগল্লী হায়না লৌনৈ। অদুবু ডীপ লিটরদা নীংথিজনা য়োক্লবদি, পীজ পীথক তৌবিরবদি হায়রিবা য়াকম অসি কৈদৌঙৈদস্থু থোকলোই।

---

(১৫)

অনাবদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ

য়েন—য়াম্না নাগনবা জীবনি। নারক্লবদি অমদগী অমদা য়াম্না থুনা লৌনগল্লি, নারবদি শিগল্লী, শিরবস্থু অম অনিত শিগন্দে য়েনগোন অদুদা ১লবা য়েন পুন্নমক তুম্না শিবা য়াওই। মরম অদুনা নারক্লগা লায়েংগনি হায়বা য়াখল অসি থ দোকপিগদবনি। নারক্তনবা থৌরাং তৌহৌবা হায়বা অসি য়েন লোইবা মীওই-শিংনা তৌত্রবা য়াত্রবা মথৌ অমনি। অনাবা য়েনশিং অদু লায়েংদুনা লৈরবস্থু মদুদা চঙাখিগদৌবা পৈশা, চঙখিবা মতম অদুদগী অনাবা অদুনা করক্লগা য়েনশিং অদুদগী কংঙকপা য়াবা শেন্দোং অনি অসি খস্নদবা য়াদে। নাগনবা জীবনি হায়বা

অসিমা শোয়ন্ত্রবনি, অদু ওইরবদি নারক্কনবা হাম্না হোৎনহৌবনা চুম্মী। নারক্কনবা হোৎনবা হায়বা অসি য়েনগোন শাকম শনবদগী হৌরে।

নারক্কনবগীদমক্তা মথাদা পীরিবা থৌরাংশিং অসি হান্না খন্নুহৌবা নত্রগা পায়খৎপিবা য়াই।

১। মকম অদু য়াম্না উরুম লাংবা, অচোৎপা অমম্নুং অকৃৎপা মকম য়েনগোন শানবগীদমক্তা খল্লোইদবনি। য়েনগোনগী লৈমায় অদু অকোয়বদগী য়াংখৎহনগদবনি নত্রগা নোংজু থাদা ঈশিং চঙক্কনবা অকোয়বদা নালা তৌগদবনি।

২। খ্বাইনা চৎনরিবা লম্বীদগী য়ারবদি ফুট ১০০ দগী ১০০০ কাওবা লাপ্না লৈবা মকমদা য়েনগোন শাগদবনি। কার্ম অদুগী মনুংদা লৈবা য়েনগোনশিং অদুসু ফুট ৫০ দগী ১০০ কাওবা লাপ্নহনগদবনি।

৩। মুংশা থোরকপা মতমদা য়েনগোন্দা য়ৈগদৌবা মকম অমম্নুং মাইওন য়েংদুনা য়েনগোন শাহৌবা কৈ। লমদম অদুগী মুংশিং শিৎপগী মাইকৈসু য়েংহৌগদবনি হায়বদি শিৎলিবা মুংশিং অদুনা য়েনগোন অমদগী য়েনগোন অমা কাওনা শিৎতনবা মাইকৈ য়েংদুনা য়েনগোন শাগদবনি। মীৎনা উবা ফংদবা মহিক কয়া মুংশিংনা কোইপু পুই য়েনগোন অমদগী য়েনগোন অমদা অনাবা শন্দোক্লবগী লম্বী অমা ওই।

৪। অনাবা য়েন তোঙাম্না থম্নবা শঙ অথাপ্পা লমদা শাগদবনি। অশিবা য়েনশিং মৈদা থাদোক্লবা মকম অমম্নুং থৌরাং

তৌহৌগদবনি। য়েন সেবা তৌরিবা মীওইশিংগী মখুৎ মশা হামদোক্লবা অমসুং মকি মরোল হোংদোক্লবা তোঙানবা কা শেম্বীগদবনি।

৫। য়েনগোন্দা উচেক রায়া চঙদনবা নীংথিনা থাজিনগদবনি। মরমদি উচেক রায়ানা য়েনগী অনাবা কয়া শন্দোকই। উচি অমসুং লিন য়েনগী য়েক্লবনি। মরম অদুনা হায়রিবা জীবশিং অসি য়েনগোন মপুংদা চঙদনবা থৌরাং তৌবিগদবনি। য়েনগোন মনুংদা উ-রা কারল-তুরল থম্মোইদবনি। মদুনা য়েলহীক লৈহল্লি, উফুল রাইফুল চেল্লী। য়েনগোন শাবা মতমদা য়ারিবমথৈ কাচিলকোয়া লৈহল্লোইদবনি।

৬। য়েনগোন শারিবা মকমদা য়ারিবমথৈ য়েনগী চিঙাক পুবা গাড়ী অমসুং য়েন পুথোক পুশন তৌবা গাড়ী কৈদৌকৈদসু চঙহল্লোইদবনি। মরমদি গাড়ী অদুদা কত্তবা মহিক কয়া পক্লম্বা য়াই, অনাবা শন্দোকখিনবগী লম্বী অমা ওইবা য়াই।

মথক্তা পীরিবা খুজিল থৌরাংশিং অসি নীংথিনা ভাক্লা চৎলবা মতুংদা থোরকপা লায়না অদুদি পুশিল্লক্লিবা য়েন হায়বদি অনৌবা লৈরুবা য়েন অদুনা পুশিল্লকপা লায়না ওইবা অমা নত্রগা য়োকপা মতমদা পীজ পীথক রাৎপা নত্রগা মতিক চাদবা অমসুং য়োকপী শেনবীবদা নিয়ম নাইদবা অসিনচিংবদগী শোয়দনা ওইকম থোকই। অদুনদি য়েন্নাও লৈবা মতমদা অনা অয়েক লৈতবা তিনজং কাইজংদবা য়েন্নাও খনবা তাবনি। নিয়ম নাইনা লিংখৎপা হেৎচরি (hatchery) হায়বদি য়েন্নাও পুথোকপা অমসুং

য়োকপগী থরক্কমুক তৌবা ফার্মদগী য়েন্নাও নৈগদবনি। মরমদি নিয়ম ঙাকনা চৎতবা হেৎচরীদি য়েনগী লায়না শন্দোক্নবগী মরম অমা ওই। অতুবু য়েন লোইবা মীওইশিংনা নিয়ম চুন্না চৎপা হেৎচরীনি নত্তে হায়বা অসি খঙবা য়ানা থোক্কনি। অতুনদি, য়েন্নাওশিং অতুগী মশা ফবা ফত্তব য়েংলগ নৈবা তাবনি। করম্বা সুমীৎতা ওনখিবা য়েন্না মশা ফনা নৈবা, করম্বা য়েনবীগী মরমনা মচা ওনবগী চাং হেনবা অসিমচিংবা থরদং য়েন্নাও নৈবা মতমদা থিজিনবা দরকার ওই। থুন্নক ইরক্কগী অফং অফংবা য়েন নৈরগা ফার্ম অমা লিংখৎপা ফত্তে। মরমদি অনাবা পূরকপা য়াবগী লম্বী য়ামই অমসুং অনাবগী মথল হেনগৎলকপা য়াই। নৈবা তারবদি মফম অমথক্কদগী নৈবনা খুদোংচাবা হেল্লী। নৈবা তারবসু নৈরুরিবা য়েনশিং অতু হান্না নৈবা য়েনগা সুমীৎ ৭-১০ নিরোমদং তিন্নদা থমদবা কৈ। অত্তোপ্পা মফম অমদা থম্লগা করিগুম্বা অনাবা নৈবরা হায়বদু য়েংননবগী মতম থমগদবনি। করিগুম্বদা লৌনা নৈরকইবা য়েনশিং অতুনা অনাবা ওইরম্মবদি হান্না নৈজরিবা য়েনশিং অতুসু লোইনা মাঙবা তাবনি। নারবসু নাত্রবসু নারক্কনবা হিদাক লাংথক তৌরবা তুংদা হান্না থম্লীবা য়েনগা তিন্নহনবা কৈ।

ফার্ম অমা লিংথংনবা মথক্তা হায়খিবা নিয়ম মতুংইন্না খুজিল থৌরাং তৌবিরবা, নিয়ম কায়দনা য়েনগোন শারবা, নাদয়েক্কবা য়েন্নাও নৈরবা অদু কাওবদা ফার্মদা নৈরিবা য়েনশিং

নারকপা য়াবগী লম্বী কয়ামরুম লৈরি। ওইরকপা য়াবা নত্রগা নায়কপা য়াবা অনাবশিং অদুদগী ঙাকথোক্তে হায়রবদি মথাদা পীরিবশিং অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবিবা য়াই।

১। নারক্কনবগীদমক্তা হিদাক কাপ্পা :—

ভোয়না নাগনবা অমসুং নারগস্থ লায়চৎ ওইনা ভৌবা লায়না থয়না নারক্কনবগীদমক্তা হিদাক কাপথোকহৌবা তাই। য়ানিখেৎ (Ranikhet) ফাউল পোক্স (Fowl Pox), মার্ক্স (Marckes disease), ফাউল কোলেরা (Fowl cholera) অমসুং টিক ফিবর (tick fever) অসিনচিংবশিং অসি লায়চৎকী (epedemic) মওংদা ভোয়না থোকনবা য়েনগী লায়নানি। হায়রিবা অনাবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা হিদাক কাপ্পা তাররবদি কোকসিডিয়োসিস, (Coccidio-sis) মাইকোপ্লাসমোসিস, (mycoplasmosis) অমসুং ভিনগী লায়না (worm disease) অসিনচিংবা হায়না লৈহনদনবা হোৎনগদবনি। অদু নত্রবদি লায়চৎ ওইনা ভৌবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবা কাপ্পা হিদাকী (vaccine) মগুণ মপুং ফাবা ঙমদে। মরম অদুনা চাননবা চিঙ্গাক্তা, নত্রগা থক্লবা ঈশিংদা হিদাক য়ানশিল্লগা য়েন্নাও অমসুং পুংকক ওইনা চাউবা য়েনশিংদা কোকসিডিয়োসিস অমসুং ভীনগী লায়না লৈতনবা হোৎনগদবনি। লায়চৎ ওইনা ভৌবা লায়নাগীদমক্তদি ভেটেরিনারী ডাক্তরশিংগা উন্নবিয়গা কাপ্পা য়াবা হিদাক কাপ্পীহৌবা য়াই।

২। অনাবা শন্দোরক্তনবগী ১সুৎ চঙুক্তনবগী লম্বী থিংবা।

(ক) থক্লবা ঈশিং হাপ্পা পাত্রদা য়েনগোন অত্তুদা লৈরিবা য়েন খুদিংমক্লা মচিন থিংজিন্দুনা ঈশিং থকই। অনাবা য়েন্না ঈশিং থক্কপা মতমদা মনপ মতিন্দা পকপা মহিক থক্লবা ঈশিংদা লৈহৌই। অতোপ্পা য়েন্না ঈশিং থকপা মতমদা হায়রিবা মহিক অত্তু থকচিনখিত্তুনা অনাবা হায়বত্তু ওইরকই। মরম অত্তুনা নোংমগী মনুংদা ঈশিং হাপ্নবা পাত্র অত্তু অমুক অমুক্তং নিংথীনা শেংদোকপিরবদি অনাবা শন্দোকলক্তনবগী লম্বী অমা ওই। মরু ওইনা অপিকপা য়েনগীদমক্তদি নোংমদা ২/৩ রক শেংদোকপিবা কৈ। মহিক হাৎপা ওম্বা হিদাক্লা ঈশিং হাপ্নবা পাত্র অত্তু শেংদোকপনা থ্বাইদগী কৈ।

(খ) অশিবা য়েন খুদিংমক মৈদা থাদোক্কদবনি। থম্বা মতমদস্থ মথুম খুমজিনবা য়াবা পাত্র অমদা থমগদবনি।

(গ) মচিঞ্জাক হুনবিবা মতমদা মচিঞ্জাক চাদবা য়েন য়াওরবদি হায়রিবা য়েন অত্তু কয়ি তোরবগে হায়দুনা য়েংশিন-হৌবা কৈ। অনাবা য়েন ওইরম্মবদি লৈমিন্নরিবা য়েনশিংদা অনাবা শন্দোরকপা য়াই। মরম অত্তুনা হায়রিবা য়েন অত্তু তোঙানবা মকম অমদা থমগদবনি।

(ঘ) য়েনগোন ৫/৬ লৈরবদি য়েনগোন খুদিংমকী সেবা তৌবা মী অমমম থম্বা কৈ। মখোয়গী মকি-ময়োল কাওবা তোঙানহনগদবনি। সেবা তৌবা মীনা য়েনগোন অমদগী য়েনগোন অমদা অনাবা শন্দোকই। হায়রিবা থৌরাং অদিদি য়েনগোন অমদগী

য়েনগোন অমদা য়েন ১০০০ দগী তাদনা লৈবা ফার্মগীদমক্তদি কৈ। ১০০/২০০ লৈবগীদমক্তদি চাদিং, হেল্লি।

(ঙ) য়েনগোন খুদিংমক্কী চঙকমদা মহিক হাৎপা ওদ্বা হিদাক থমগদবনি। সেবা তৌরিবা মী খুদিংনা য়েনগোন্দা চঙবা অমস্তুং থোরকপদা মথোৎগী মথোঙ নত্রগা থোঙউপ অদু হিদাক অদুদা লুপকদবনি। য়ারিবমথৈ মপানগী মী য়েনগোন্দা চঙহল-লোইদবনি। চঙবা তারবদি তোঙানবা ফুরিৎ Overalls শীজিন্নগদবনি ।

(চ) য়েনগোন অমদা চহী মাল্লবা য়েন থমগদবনি। চহী অনিয়োম শুরবা য়েনদি চাথোক হন্নরকই। মরম অদুনা থা ১৮-২৪ শুরবা য়েনদি য়োন্থোকখিগদবনি। অনৌবা য়েন হান্নগী য়েনগোন অদুদা হাপচিনত্রিঙৈদা য়েনগোন অদুদা মহিক লৈতনবা হিদাক নিংথীনা চাইথোকদবনি। য়েনগোন অদুদা য়েন থর থমহৌরগা য়েন থরনা য়োন্থোকপ্রবদি য়েনগোন অদুদা মহিক শিনবা হিদাক চাইথোকপগী কান্নবা কন্নিহ লৈতে। মরম অদুনা মতম অমত্তদা, মতম অমত্তগী য়েন, য়েনগোন অদুগী য়েন খুদিং-মক য়োন্থোকখিগদবনি।

৩। মশা শোন্থবনা মরম ওইদুনা অমা বনা খুদোৎচাব লৌথিবা য়াবগী লম্বী থিংবা। Prevention of predisposing factors)

মশানা কনা লৈরবদি (healthy) প্রকৃতিগী খুৎশেম মতুং-ইন্না অনাবা কন্না ঙাকথোক্নুনা থম্বা ওয়ী। মশানবু কন্নবদি




মতম নাইদনা নারকপা য়াবগী লম্বী কাৎলবনি। য়েনগী মশা কনা লৈহন্দবগী মরম কয়া মরুম লৈ। মথুদি:—

(ক) মচি ওইবা চিঞ্জাক অমদি মপুং ফবা চিঞ্জাক (balanced diet) পীজরবদি মতম থুদিংমক্তা শোন্দন-নাদন্মী। মরম অত্তুনা য়েনশিংদা মপুং ফাবা চিঞ্জাক পীজগদবনি।



(খ) য়েনগোন নিংথীনা শাদবা, হরা-মুংশিৎ নিংথীনা কংহন্দবা, য়ামনা চিন্না লৈবা, চিঞ্জাক হাপ্পবা পাত্র অমসুং ঈশিং হাপ্পবা পাত্র মতিক চাদবা অসিনচিংবনসু য়েনগী মশা শোক্লহনবগী লম্বী অমা ওই।

(গ) কা-হেন্না চোৎপা নত্রগা নিংথীনা শেম্বী শাবিদবা লিটরদগী এমোনিয়াগী গ্যাস (ammonia gas) থোরকই। এমোনিয়া গ্যাস অসি য়েনশিংনা মুংশা-খোর হোনবদা য়াওপ্রবদি মশা শোক্লহল্লি। য়াম্না কুপ্পা লিটর শিজিন্নরবদি উকুল থোকই। উকুলশিং অত্তু মুংশা-খোর হোনবদা য়াওরবদি থমবোম্বীনী (respiratory organ) লায়না থোরক্নবগী লম্বী কাৎলি।

মথক্তা পনখিবা য়ারমশিং অসি মুন্না খঙলবা তুংদা চেকশিন্না য়েনশিংবু য়োকপী থাকলিরবদি য়েন লোইবদা নীংহন্নবগী য়রমদা করিসু লৈতে। থৌয়াং কয়া অসিগী মথক্তা মতম থুদিংদা ডাক্তরশিংগা তান্নরগা অকক্নবা থৌয়াং অমগী মথাদা হিদাক লাংথক তৌবিগদবনি— য়েন য়োকপীগদবনি।

নং ৩
ফাউণ্টেন— ঈশিং হাপ্নবা পাত্র

নং ৪

হ্যান্দুনা থম্বা চিঞাক
হাপ্নবা পাত্র।

কাথল্ কাথল নাইবা চিঞাক
হাপ্নবা পাত্র।

য়েনগোন্দা হীদাক চাইথোকপা

চহি খুদিংগী অনৌবা লিটর শিন্দোকদবনি। অনৌবা লিটর হাপত্রিঙৈদা য়েনগোন অমমুং য়েনগোন মমুংদা লৈবা পোৎ খুদিংমক মহীক হাংপা ওয়া হীদাক্রা নীংথিনা চামথোকদবনি। লিটর লৌথোকত্রিঙৈদা অংচক-অকায় পুম্নমক শেমজিনবিহৌবা য়াই। নীংথিনা শেংদোক্লবা তুংদা য়েনগোনগী লৈমায় অমমুং কাচিন কোয়া খুদিংমক ঈশিংনা চামথোক্কনি। কংলবা মতুংদা অশাবা ঈশিং লিটর ১০দা শুধা (washing soda) গ্রাম ৫০০ হাপচিল্লগা শেম্বা মহীনা য়েনগোন শীনবা থুংনা চাইথোক্কনি। নুং নত্রগা চেক্রা চনবা লৈমায় নত্রবদি হায়বদি লৈপাক ওইরবদি ইঞ্চি ৩" কাওবা থোৎতোকহৌবা কৈ। মরমদি লৈপাক মমুংদা মহীক কয়া হিংত্রনা লৈবগী খুদোংচাবা লৈ। য়েনগোনগী মমুং মপান অনিমক শুনু হাইরবা তুংদা (white wash) মহীক হাংপা ওয়া হীদাক্রা কাচিন-কোয়া থুংনবা চাইথোকদবনি। মহীক হাংননবগীদমক্তা লাইশোল (lysol), ফেনোল (phenol) নচিংবা শিজিন্নবা য়াই। য়েনহীক্রচিংবা লৈরবা য়েনগোন ওইরবদি মালাথিয়ন (malathion) নত্রগা স্মিথিয়ন (smithion) কোপর সলফেৎ (copper sulphate solution) অসিনচিংবা শিজিন্নবা য়াই।

চথোকহন্দনা য়েন য়োকপগা লৌউ-শিংউবগা লৈনবা মরী।

ঐখোয়না খঙজে— খুৎশেমগী হার (fertilizer) হাপ্লদি চাথোক-ফৌথোক হেল্লি। খুৎশেমগী হারগী মগুণ মণিপুরদা য়াম্না নীংথিনা ভাব তানরে। খুৎশেমগী হার লুপা ১৫০ য়োমনা লৌ পরি অমদা হাপ্লা ফকপা য়াই। লুপা ১৫০ অসিনা কৌ টন অনিরোম থোকহনবা ঙমই।

লিটর হায়বা অসিসু অফবা হার অমনি হায়বসিসু ঐখোয়না খঙজে। খুৎশেমগী হারদা য়াওরিবা মচাক খুদিংমক লিটরদসু মতিক চানা য়াওই। য়েন ১০০ য়োম্না চহি অমদা শিজিন্নবা লিটরনা কৌ পরি অমরোম চাইবা ওকই। হান্না থোক্রম্বা কৌ-থোক্কগী টন অনিরোম হেন্না থোকহনবা ঙম্মী। অহুনদি য়েরুমগী মথক্তা লুপা ১৫০ য়োমগী হারসু ফংলবনি। য়েন ১০০ না চহি অমদা ফংনা লিটরনা মনামশিং থাবা একর অমগী লমদা চাইবা ওকই, চুম্নাক থাবা ওইরগনা একর অনি, গেহু ওইরবদি একর মরি, অমসুং চু থাবা ওইরগনা একর মথাম্ন অমদা চাইবা ওকই।


মপ্তীসু অফবা হারনি হায়বগী মগুণলোমদা য়েংঙ্ রবদা মণ অমগা য়েন অহুমগা চাংদন্নবা য়াই। য়েন অমনা চহি অমদা লিটর কে: জি: ২৫ ৩০ থোকহল্লি। ইংলোক ১৯৬৬/৬৭ গী শা মণ মশীং খীবগী মতুংইন্না য়েন ৭, ৯০ ২৮৪ লৈ। য়েন ৭, ৯০,২৮৪ গী মনুংদা ৪, ০০,০০০ দং হায়রবদি ভংখাই অমা

ডিপ লিটরদা য়েন য়োক্লবদি চহী অমদা লিটর টন ১২,০০০ গুম্বা কংই। অচুনদি পরি ৪০০০ য়োমগী লোকমজদি য়েনদগী কংবা হাৱনা শিজিন্নবা যাই। ইংশোক ১৯৬৬/৬৭ গী শা-যণ মশীং থীবগী মতুংইন্না মণিপুরদা যণ ৩,০৭, ৩৬০ লৈ। যণ ৩,০৭,৩৬০ দগী যণ ২,০০,০০০ থক্কী যম্থী নীংথিনা হাক ওইনা শিজিন্নরে হাৱনা লোৌরবদা পরি ৬০০ গুম্বগী হারদি যনদগী কংই। মুমদা য়োকপা জীব অতৈ কয়াম্থু লৈরি। মরম অচুনা প্রকৃতিনা পীরকপা হার অসিমথৈ মপুংফানা শিজিন-নরগা অয়াংপা থরা অচু খুৎশেমগী হার শিজিন্নরবদি ভারত্তা অমদি মণিপুরদা হারগীদমক্তা য়ানরিবা অসি য়ানয়োইদবনি।

য়েনগোনশাঙকী মওং লাই য়েকুনা তাকপা


য়েনগোনগী লৈমায় অহু অকোয়বা লমদগী য়ামত্রবদা ফুট ১'-১½' য়ংনা থম্বা কৈ। য়েনগোনগী লৈমায় অহু চেক্লা নত্রগা নুংনা চনবা লৈমায় ওইবনা খুদোংচাবা হেল্লি। য়ানা-উনা কোপ হায়গা য়াই তৈশিনবা লৈমায় ওইহল্লবস্নু য়াই। চেককুপ-নুংকুপ য়াওনা য়াম্না কম্না শুজিন্নবা লৈমায় ওইহনবস্নু য়াই অদুবু লৈপাক্কী অঙৈংবা চুপথংলক্কনবা অকবা লৈঙোইনচিংবা হম্না থাবিহোবা কৈ। লৈনিল থজিক্কং কাওবদি কমপোস্ত লিটর ওইবদা খুদোংচাদবা লাকই। জিংঘ নত্রগা ঈনা য়েনগোন কুপ্পা য়াই। অহোঙবা য়েংদ্রনা শিজিন্নবনা চাদিং হৈহ্নে।

(১) য়েনগোনগী অকোয়বা লমদগী লৈমায়গী অমাংবা তাকপা।



মেন অমগীদমক্তা কোনায় ফুট ৮' গী চাংদা মেনগোন অমগী পা চাউবা লেপ্পা য়াই। য়াম্না য়াংবা, ঊংবা, সুংশিৎ য়াম্না শাৎপা অমসুং লোং চুপা লমগী মক্তদি মেন অমগীদমক্তা কোরন্ন ফুট ৫' ওইহনবা কৈ। মরাক মদগী মরাক পাকপনা সে তৌবা মীদা খুদোং বা হেল্লি অমসুং চাদিং হইদ্রে। অফংবা লমগী মতুং ইন্না পাকপা চাউবসু লেপ্পা য়াই। কা-কেম্না মরাক পী মেনগোন্দি খুদোং চাবা য়াৎলি।


(২) মেন ১০০ চনবা মেনগোন অমগী মরাক-মমুং ঊৎপা



(৩) য়েন ১০০ চনবা য়েনগোনগী য়ুংনা য়েংবদা উবা শরুক।

কল্লাংগী অৱাংবা—ফুট ৬′। য়াই তৈশিনগদবা কল্লাংগী শরুক—ফুট ২½′। কা হেন্না ঈংবা, নোং য়াম্বা চুবা অমমুং মুংশিং য়াম্বা শীংপা মকমদদি ফুট ৪′ কাওবা ওইহনবা য়াই। য়াম্বা শাবা লম ওইরবদি ফুট ২′ দমক ওইহনবসু য়াই। শাইজিন—ফুট ২½′ চোন্থহনগদবনি। কা হেন্না ঈংবা, নোং য়াম্বা চুবা অমমুং মুংশিং য়াম্বা শীংপা মকমদদি ফুট ৪½′ কাওবা চোন্থহনবা য়াই। লৈমায়মগী য়ুমথক কাওবগী অৱাংবাঃ—ফুট ১০′ ওইহনবা য়াই। য়াম্বা কৌমল্লবসু নোং য়ুই। নোং য়ুদনবা মওং য়েংলুনা য়ুমথকী অনেম অৱাং লেম্না য়াই। ভালি নত্রগা য়াচেৎনা কল্লাং থাবা য়াই।

(৪) য়েনগোন মনুংদা থমগদৌবা পোৎশক তাকপা



মচিঙ্গাক থাপ্নবা পাত্র :— য়েনবীগীদমক্তদি লিটরদগী ৫´ য়াংবনগদবনি। অপীকপা চাউবা পীকপগী মতুংইয়া অনেম অহাং শেয়া য়াই। মরূম কোককম :— ২´ য়াংবা কক্লাং নাকল অমদা য়ানগদবনি। ৫´×২´×২´ ওইবা মরূম কোককম ৫০ থবা য়াই। কৈরা :—য়েন ১০০ গীদমক্তা ৪´ শাংবা কৈরা অনি ১৮´ লাপ্নবা ২´ য়াংবা থমীগদবনি। কৈরাশিং অচু য়ান্দুনা থবা য়াই মক্তগা লৈথায়বা। য়েন অমগীদমক্তা ৬´´/৭´´ দরকার ওই। ঈশিং থপ্নবা পাত্র :— ৪´ শাংবা ২´ ...কপা দমদা উপুঙবা পোৎশক অমগী মথক্তা ঈশিং হাপ্নবা পাত্র,থমগদ

হাপ্না পাত্র অচু লিটরদগী ১´ য়াংবনগদবনি। ... পোৎশক অচুগী মথুংগী লমদা করিগুম্বা ঈচিং তাপ্রবম চুপাশিনবিনবা লৈতোই থরা হাপ্নীবা য়াই।

ইন্ডকেশনগী কর্ত্তৃপক্ষগী মতেংনা কোংজবনি,
তেংবাংবিবা অসিগী কর্ত্তৃপক্ষবু থাগচরি ।"

কংফম্:-

১। য়ুথ্স ষ্টেসনরী ষ্টোর
শিংজমৈ বাজার, ইম্ফাল ।

২। পিঃ কেঃ ফিডস প্রদক্স
থোংমন মংজিন মমাং, ইম্ফাল ।

মোক শাবা :— গৌরতোম্বী শর্ম্মা